www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 15,083
22 Carat/g : ₹ 14,295
1 Kg Silver : ₹ 2,50,000
10 Gram Silver : ₹ 2,310
WEATHER: Light Rain
Temperature 27/22°C
Sunrise: 04:44 AM
Sunset : 05:57 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Page 3
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 263 | IMPHAL, THURSDAY, SEPTEMBER 3, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ | শগোলশেল, থৱানগী ২২ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

### কুকি ফুরুপকী এম এল এ ৪ য়াওনা এসেমব্লিগী ৮শুবা সেসন হৌদোকখ্রে

# এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস তৌদবা হায়না ৱারেপনখ্রে, এদজোর্নমেন্ট মোসনদা লৌখিদ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

সাইতু এ সিগী এম এল এ হাওখোলেট কিপগেন অমসুং সাইখুল এ সিগী এম এল এ কিমনিয়ো হাওকিপ হাংসিং ঙসি এসেমব্লিদা লাক্তুনা অদুগা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন অমসুং হেংলেপ এ সিগী এম এল এ লেজমাং হাওকিপনা ওন লাইনদা শরুক য়াদুনা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লগী ৮শুবা সেসন হৌদোকখ্রে।

মণিপুরদা ফোঙ ফোঙ শারিবা এন আর সি অপদেট তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা ৱাফম হাউসনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা রিজোল্যুসন পাস তৌখ্রে। হীরম অসিদা ওপোজিসননা পুখৎলকখিবা এদজোর্নমেন্ট মোসনদি লৌখিদ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদগী হৌখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৮শুবা সেসনদা সাইতু এ সিগী এম এল এ হাওখোলেট কিপগেন অমসুং সাইখুল এ সিগী এম এল এ কিমনিয়ো হাওকিপ হাংসিং লাক্তুনা শরুক য়াখিবা অসিনা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোরকখিবা ইরাং অদুদগী চহী অহুম মখায় রোম কান্নরগা ঙসি শরুক য়ারিবনি। মখোয়না ইম্ফালদা লাক্লগা এসেমব্লী শরুক য়ারবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা তরান্না ওকপগা লোয়ননা মণিপুরদা তঙ্গদু লৈতাবা হৃঞ্জিল্লকপগী খুদমনি হায়না চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি এসেমব্লী সেসন হৌবা নুমিৎতা ওবিচুরি রিফরেন্স হেক লোইবগা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী ও ইবোবিনা পোইন্ট ওফ ওর্দরগী খুদোংচাবা লৌরগা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ...মখা লমায় ৫দা...

# দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট সি এমনা পুথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

ঙসি এসেমব্লী মীফমদা ফাইনান্সসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ সিংহনা চৎলিবা শেনবা চহী ২০২৬-২৭গী অহানবা বেচটকী সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট ওইনা লুপা ক্রোর ৩,৮৬১ গ্রান্ট তৌবিনবা পুথোকখ্রে।

সপ্লিমেন্টরি ওইনা গ্রান্ট তৌবিনবা দিমান্দ তৌরিবা শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ১২না ষ্টেটকী কন্সোলিদেটেদ ফন্দগী চার্জ তৌগদবনি। অদুগা লুপা ক্রোর ৩,৮৪৯না হাউসনা অয়াবা পীগদবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট অদু পুথোক্লদুনা হায়, চৎলিবা শেনবা চহী ২০২৬-২৭কী বজেট ইষ্টিমেটতা ষ্টেটকী কন্সোলিদেটেদ ফন্দগী লুপা ক্রোর ৩১,৩৫৬ গ্রোস এক্সপেন্দিচর ওইনবা অয়াবা পীখিবনি। অদুবু চহী অসিগী মনুংদা তোঙান- তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংশিং অমদি তঙাইফদবা কয়া চাদিং তৌদবা য়াদবদগী অহেনবা বজেটরি প্রোভিজনশিং অসি হাপ্তবা য়ারক্তবদগীনি। অহেনবা প্রোভিজনশিং অসি লৈজরিবা রিছোর্স অমদি এফ আর বি এম লেজিসলেসনন্না পীবা ফিস্কেল দিফিজিৎকী শিলিং ...মখা লমায় ৫দা...

# ইকোনোমিক ব্লোকেদ হেন্না কনশিন্নবা য়ু এন সিনা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

য়ুনাইটেদ নাগা গাউন্সিল (য়ু এন সি)না হৌজিক চথরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ হেননা কনশিল্লগনি হায়না ঙসি য়ু এন সিগী প্রসিদেন্সিয়েল মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে।

য়ু এন সিগী ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিনা নেসনেল হায়ৱে, ২, ৩৭, ১০২ অমদি ২০২দা চথোক চৎশিন তৌরিবশিংদা চাওনা অকায়বা পীরগনি। নাগা মীচমশিংবু মীনুংশি লৈতনা হাৎপগী মায়োক্তা অমদি থৌদোকশিং অসিগী জষ্টিস ফংহন্নবা য়ু এন সিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং অমগী শরুক ওইনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ হেন্না কনশিল্লগনি হায়বা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। য়ু এন সিনা তৌখিবা কোর দিমান্দশিং ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং অসি চঙশিনখিগনি হায়বা ৱাফমশিংসু মমাঙদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিনা মণিপুরগী মরু ওইরিবা লম্বী ইম্ফাল-দিমাপুর-অসাম অমদি ইম্ফাল মোরে য়াওরি। লম্বী অসিদা মমাঙদগী তৌরকখ্রবা ব্লোকেদনা লম্বী অসিদা চথোক চৎশিন তৌরিবা পেসেঞ্জরশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহন্দুনা লৈরিবনি হায়রি।

SBI
State Bank of India
Central Recruitment & Promotion Department
Corporate Centre, Mumbai
Phone: 022-22820427
Scan QR to Apply

Recruitment of Specialist Cadre Officers on Regular Basis

Applications are invited from eligible Indian citizens for the following posts on Regular basis:

Advertisement No.: CRPD/SCO/2026-27/15 (Regular Position)

| Name of Post | Vacancy | Age (As on 31.07.2026) Min | Age (As on 31.07.2026) Max |
|---|---|---|---|
| Trade Finance Officer-IBG (TFO-IBG)-JMGS-1 | 14 | 21 | 30 |
| Trade Finance Officer-IBG (TFO-IBG)-MMGS-II | 21 | 23 | 32 |

For eligibility criteria (age, experience, job profile etc.), vacancy details, requisite fees, other details and for online submission of application as well as online payment of application fees log on to Bank's website https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings. Refer detailed advertisement to ensure eligibility and other details before applying and remitting fees. For any query, please write to us through link "CONTACT US" → "Post Your Query" which is available on Bank's official website (https://bank.sbi/web/careers/post-your-query)

- DATE FOR FILING ONLINE APPLICATION & PAYMENT OF FEES: FROM 29.08.2026 To 19.09.2026.

Place: Mumbai
Date: 29.08.2026
General Manager (RP & PM)

## ৱাখলগী চিঙ্খাক

অখাঙ কনবা হায়বসিনা মায়থীবা কয়াবু য়ৈখায়বা ঙম্মী

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেন্সস য়ৈথোক্লে হায়বগী চপ চাবা ওর্দর অমা থোক্কদবনি হায়দুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ইমাশিংনা অহিং য়ারেক্তুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদু হন্দোকখ্রে।

খোঙজং হন্দোকপা অদুগা মরী লৈননা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মঙাগী ইমাশিংগী ...মখা লমায় ৫দা...

## ব্রাউন্দ সুগর কে জি ১০.৮ রোম ফংখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী থীজিন হুমজিনবগী থবক চথবদা ট্রক রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এ এস ০১ এল সি ৭৬৩১দগী তোঙান - তোঙানবা পেকেট ১০দা য়াওরম্বা ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ৮০ রোমগী ওইগদবা ব্রাউন্দ সুগর / হেরোইননি ...মখা লমায় ৫দা...

## পূন্না নুংশিননা হিংমিন্নবগী মচত্তা শীংনবা থৌওংশিং খুদক্তা লেপকদবনিঃ লূপ ৫

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

পূন্না নুংশিননা হিংমিন্নবগী মচত্তা শীংনবা থৌওংশিং খুদক্তা লেপকদবনি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা লূপ ৫না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী টি ৱাইচোং সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা তাপোন খুঞ্জাও, তাপোন খুনৌ অমদি মকুই তিপোরামদা খুৎলায় পায়বশিংনা য়ূম মৈ থাদুনা চথখিবা থৌওং অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অমুকো, অমাৱোভা, পি এল এম পি এ এম, এম এস এফকী প্রসিদেন্টশিং অমদি কোহরগী চেয়রমেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীচম মীয়ামগী পূন্সি তেমশিংনদুনা য়ূম মৈ থাবা, ...মখা লমায় ৫দা...

## থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রিঙৈ লৈঙাক্তা থাজবা থমদেঃ জিতেন্দ্র নীঙোম্বম



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

এসেমব্লীদা এন আর সি তৌদ্রিঙৈ সেন্সস তৌখিরোই হায়বা ৱারেপ লৌবা অমদি লৌরনি হায়বা লৈরবসু থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রিবমখৈ লৈঙাক্তা থাজবা থমদে হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোরক্লি।

মীতোপ খন্দোকপগী ৱাফম ঙসি ঙরাংগী ওইদ্রে, মমাঙথক্তা লৌখিবা ৱারেপশিং থবক ওইনা পাঙথোক্তনা লৈখিবশিংবু নিংশিংলদুনা জিতেন্দ্র নীঙোম্বনা মখা তানা হায়, মীয়ান্না চঙশিল্লক্লিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা এক্স এম এল এ ৪না লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীনা লৈখিদ্রবা এম এল এ ৪গী মফমদা ওবিচুরি রিফরেন্স পীদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৭ ফাওবা সিট্টিং ৩ থোক্না পাঙথোক্কদবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলটিভ এসেমব্লীগী ৮শুবা সেসনদা হৈঙাং এ সিগী হান্নগী এম এল এ লৈখিদ্রবা লোংজম নিংথেমজাও, ফুংয়ার এস টি এ সিগী মণিপুর টেরিটোরিয়েল এসেমব্লীগী হান্নগী মেম্বর ওইরম্বা কে এনভি, লিলোং এ সিগী হান্নগী এম এল এ ডা. এম দি মনিরুদ্দিন সৈখ অমসুং উখ্রুল এস টি এ সিগী হান্নগী এম এল এ এ এস আর্থরগী মফমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। ...মখা লমায় ৫দা...

## মতমগী মতুং ইন্না এন আর সিগীসু থবক লৌখৎলক্কনিঃ সম্বিত পাত্রা



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা সেন্টরনা সেন্সসকী মতম য়ৈথোকপগী ফিরেপ লৌরকপা অসিমক তরান্না ওকফম থোকই। মতমগী মতুং ইন্না এন আর সিগীসু মথৌ তাবা থবক থৌরম লৌখৎলক্কনি হায়না বি জে পিগী রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা পার্টি অসিগী নোর্থ ইষ্টকী কোওর্দিনেটর ...মখা লমায় ৫দা...

## পিপুরাম মকুই খুলদা চথখিবা এটেক্ট কন্দেম তৌই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পিপুরাম মকুই নাগা খুলদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা চথখিবা এটেক্ট অমদি খুল অসিগী য়ুম ২৫ রোম মৈ থাদোল্লম্বগী থৌদোক অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

হীরম অসিগী মতাংদা লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিল মণিপুর (এল এন সি-এম) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা কুকি মীওই ১০০ রোম্না চথরকখিবা এটেক্টনা খুল অসিগী খুঞ্জা কয়াদা অৱাবা পীরে। ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

ঙসাই নঙনা হোলদা চঙলকপদা থোঙজিন্দা লাইকা খুরুম্লীদুনা উইজগেনা খুরুম্লীরা



নত্তেদা, মথংগী টর্মদসু ঐগী ফমফমসে হোংহনবীগনু হায়দুনা খুরুম্বনিদা

## হেক্তা হায়জিনবা

### সি মঙাইরে

সি মঙাইরে ঙম্মীসে
মীয়ান্না ঙম্মীসে
বন্দ ব্লোকেদ তৌবা
লম্বী থিংবা
ৱাকৎ মীফম ফম্বা
পাউগী মীফম পাঙথোকপা
টি ভিদা খন্ন-নৈনবা
পাউচেদা চেরোল থাদোকপা
সি মঙাইরে ঙম্মীসে
মীয়ান্না ঙম্মীসে
তাবীগদৌবনা তাবিদ্রবসু
তৌবীগদৌবনা তৌবিদ্রবসু
তলব ঙাইদুনা লৈখ্রবসু
এল্লাৱেন্স খোত্তুনা লৈখ্রবসু
দিল্লিগী য়াকা য়েংদুনা লৈখ্রবসু
ৱাজাও ঙাঙদুনা লৈখ্রবসু
মীয়ামসু তৌফম থোকপা তৌরিসে
সি মঙাইরে ঙম্মীসে
মীয়ান্না ঙম্মীসে

## ন্যুট্রিলাইট অয়ুর্বেদা লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

হকশেল অমদি ৱেলবিংগী লমদা মায় পাক্লা থবক তৌরিবা এমৱে ইন্দিয়ানা ন্যুট্রিলাইট অয়ুর্বেদা লোঞ্চ তৌদুনা অয়ুর্বেদাগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে।

মনা মশিংতগী ওইবা হিদাক লাংথক্লা অনা লায়েংবগী থৌওং হৌজিক মীয়ান্না য়ান্না পান্নরক্লি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা আয়ুস ইকোসিষ্টেমবু মপাঙ্গল লৈহন্নবগী চঙশিল্লক্লিবা থৌরাংদা লুন্না লৌবগা লোয়ননা কম্পেনি ...মখা লমায় ৫দা...

## অৱাং নোংপোক্কী অপিকপা ষ্টেটশিং পূন্না লেপমিন্নরবতদা চাওখৎকনিঃ জেমস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

এম পি মশিং য়ামজদবা অৱাং নোংপোক্কী অপিকপা ষ্টেটশিং অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা তঙ্গদু লৈতানা থল্লবতদা অৱাং নোংপোক পূম্বা চাওখৎকদবনি হায়না মেঘলয়াগী রাজ্য সভাগী এম পি জেমস কে সঙমানা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাগী স্পিকর ওইরম্বা পি এ সঙমাগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা 'পিছ থ্রু দিভলপমেন্টঃ মণিপুর এন্দ দি এন্দ ওফ আইসোলেসন' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সতা পি এ সঙমা ফাউন্দেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম পি জেমস কে সঙমানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মশক নাইবা লুচিংবা অমা ওইখিবা পি এ সঙমানা হিংলিঙৈ মতমদা মহাক্কী পোক্লফম লমদম মেঘলয়া ...মখা লমায় ৫দা...

## বেঙ্গলোরদা পাঙথোকপা প্রোফিকোর্ন ২০২৬তা নিঙোম্বম ইরাবন্তদা বিজিনেস সক্সেস এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ


য়ুনাক্কো স্কুল অমদি য়ুনাক্কো কোলেজগী চেয়রমেন নিঙোম্বম ইরাবন্তদা বিজিনেস সক্সেস এৱার্দ ২০২৬ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলকখ্রে।

লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি ক্লান্টম লিপনা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ১দগী ২ ফাওবা বেঙ্গলোরদা ইন্টরপ্রেনিয়র, বিজিনেস ওন্নর, প্রোফেস্নেল, সেনিয়র মেনেজমেন্ট রিপ্রজেন্টেটিবনচিংবা মীওই ২০০০ হেন্না তিন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রোফিকোর্ন ২০২৬কী থৌরম



অমদা পীরকখিবনি। বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা প্রোফিকোর্ন ২০২৬কী থৌরম অদুদা য়ুনাক্কোগী মরু ওইবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

য়ুনাক্কো স্কুল এন্দ য়ুনাক্কো কোলেজগী চেয়রমেন নিঙোম্বম ইরাবন্তদা বিজিনেস সক্সেস এৱার্দ ২০২৬ ...মখা লমায় ৫দা...




সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ-পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# ১৩০ শুবা ইরাবোত থাবুম তেন্থাদা হৌদোকখ্রে
# ঐখোয় পুম্বনা সোসিএলিষ্ট সমাজ অমা পুরক্কবা হোৎনজরম্বা ইরাবোতকী মতুং ইল্লসিঃ সোতিনকুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি (আই সি সি) মণিপুর, মণিপুর লৌমী লূপ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসুং সি পি আই ৱাংজিং তেন্থা লোকেল কাউন্সিলনা পূন্না শীন্দুনা লৈবাক অসিগী মফম পূম্বদা চঙশিল্লিবা “ফার্মরস দিমান্দ দে”গী খোঙজং অমদি থা অমা চূপ্পা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎথগদবা “১৩০ রক শুবা ইরাবত থাবুম” ঙসিদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থা খোঙবালদা লৈবা মল্টিপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

সেভ মণিপুর সেভ হ্যুমেনিটি হায়বা খোল্লাওদা থাবুম অমা চূপ্পা চৎথগদবা ইরাবত থাবুম হৌদোকপা অমদি ফার্মরস দিমান্দ দেগী থৌরম অদুদা কন্ট্রোল কম্মিসন এম এস সি সি পি আইগী হান্নগী চিয়ারমেন কমরেদ লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, আই সি সি মণিপুরগী চিয়ারমেন কমরেদ ডা. মোইরাংথেম নরা সিংহ, মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট কমরেদ এন সিংহজিৎ, আই সি সি মণিপুরগী ভাইস চিয়ারমেন কমরেদ এল সোতিনকুমার অমদি ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট কমরেদ এস সোরোজিনি নচিংবনা অথোইবা মীথুং লেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লোকেল কাউন্সিলশিংদগী লাকখিবা কমরেদশিং অমদি লৌমী লূপ কয়াগী মেম্বরশিংনা ৱাংজিং কৈথেলদা পুল্লবা মতুংদা মফম অদুদগী মপূং ওইবা থৌরম পাঙথোকফম তেন্থা খোংবালদা লৈবা মল্টিপ্লেক্স তন্না খোঙচৎ অমসু চৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইরাবতকী মিতমদা লৈসু কত্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা, কমরেদ টিঐচ য়াইস্কুলনা ইবা ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক্কা করি পাউজেল পীরি হায়বা লাইরিক ফোঙবা অমদি নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ কয়া উৎপনা মপূং ওইবা থৌরমশিং ওইখি।

ইরাবত থাবুম হৌদোকপা অসি ওল ইন্দিয়া কিষান সভাগী ফার্মরস দিমান্দ দে খোঙজংগসু লোয়নরিবনি। লোয়ননা সেভ মণিপুর সেভ হ্যুমেনিটি হায়বা খোল্লাওগী মখাদা মণিপুরদা থোক্লিবা তঙ্গু লৈতাদবা প্রোব্লেম অসি ইং তপ্পা মওং অমদা সোলুসন পুরক্কবা খোঙজং অমাগা ইরোইননা মণিপুর শীনবা থুংনা চৎথগদবনি হায়রি।

থৌরমগা মরী লৈননা আই সি সি মণিপুরগী ভাইস চিয়ারমেন কমরেদ এল সোতিনকুমারনা হায়, ইরাবত থাবুম অসি ইরাবতকা মরী লৈননা য়ান্না মরুওইবা থাবুম অমনি। ইরাবত সেপ্তেম্বরগী তাং ৩০ দা পোকখি। সেপ্তেম্বরগী তাং ২৬ তা মহাক লৈখিদে। সেপ্তেম্বরগী তাং ১১ দা মহাক অন্দরগ্রাউন্দ তাদুনা বর্মাদা চৎখি, থাবুম অসিগী মনুংদা মহাক্কা লোয়নবা কমরেদ কয়াগা সিলহেটে জেলদা লৈখিবা অমদি থাদোরকপা নচিংবা থৌদোক কয়া লৈরি।

সেপ্তেম্বর ১৫ দা মহাক্কী হেক ঙমথং ওইরিবা লুচিংলেন থোকচোম বিরগী মপোক নুমিৎ থোকই। মরম অসিনা সেলেব্রেসন কম্মিটিনা সেপ্তেম্বর থাবুম অসিবু য়ান্না মরুওইনা লৌবগা লোয়ননা সেমিনার, সিম্পোজিয়ম, কলচরেল প্রোগ্রাম অমদি মখল কয়াগী দিস্কসন কয়া ইরাবত থাবুম অসিদা পাঙথোক্কনি।

লাক্লিবা সেপ্তেম্বরগী ১১ দা ইরাবতনা অন্দরগ্রাউন্দ চংলমদাইদা য়ান্না মরু ওইবা ৱারেপ কয়া লৌখিবা মফম কৈবীগী মনা চীংদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি, সেপ্তেম্বর ১৫ দা লৈখিদ্রবা কমরেদ বিরগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন কৈশাম্পাৎ লাইরেন্বী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কনি। সেপ্তেম্বর ২১ দা পুরবাঞ্চল প্রদেশ শেম্বগী মায়োক্তা লৈখিবা নুমিৎকী পালন পাঙথোক্কনি অমদি মহাক্কী মপোক নুমিৎ সেপ্তেম্বর ৩০ দা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা মাস পাষ্ট কন্টিজেন্ট ৬০গী মথক্তা শরুক য়াদুনা পালন থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রদুনা ঙসি লৈবাক্কী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটিদা অচৌবা চেল্লেঞ্জ অমা তৌরকপা তঞ্জা অসিদা ঐখোয়না ইরাবতপু নীংশিংসি, মহাক্কী ৱাখল্লোন নীংশিংসি।

ইরাবত পামজরম্বা অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা মহাক্কা লৌরম্বা থৌদাং কয়া অমদি মহাক্কা পামজরম্বা মান্নবা খুন্নাই অমগী লম্বী–সোসিয়েলিষ্ট সমাজ অমা পুরক্কবা হোৎনবদা মহাক্কা লৌরম্বা থৌদাং অদু, মতুং ইন্দুনা লৈবাক অসিদা অৱোনবা অমসুং অহোংবা সমাজ অমা পুরক্কবা হোৎনবদা ঐখোয় পূম্বনা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়না আপিল তৌরকখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ডা. এম নরানা ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অসিবু থেংননবা লম্বী অমত্তা লৈত্রবগুম উনরে। লম্বী অদু লৈ। লময়ানবা ইরাবতনা মীয়ামদা উৎপিরম্বা, মহাক্কা মঙজরল্লিবা অপূনবা মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক হোৎনজরম্বা সাইন্টিফিক সোসিয়েলিজম অমগীদমক চৎলম্বা লম্বী অদুদা ঐখোয় পূম্বনা মতুং ইল্লসি হায়খি।

# ন্যুট্রিলাইট অয়ুর্বেদা লোঞ্চ...

*লমায় ১গী মখা...*
অসিনা অয়ুর্বেদাগা মরী লৈনবা অনৌবা ইনোবেটিভ ৯ প্রদক্ট পুথোকখ্রে। কম্পেনি অসিনা লাক্কদৌরিবা চহী ২–৩ অসিগী মনুংদা ন্যুট্রিলাইট অয়ুর্বেদাবু লুপা ক্রোর ১০০গী কেটেগোরিদা য়ৌহনবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি। পোথোকশিং অসি ওর্গানিক ওইবা মওংদা মনা মশিং থারগা অমদি সার্টিফাইদ তৌরবা মনা মশিংনা টামিলনাদুদা এমৱেগী খ্বাইদগী এদভান্স ওইরবা মফমদা শেল্লগা পুথোকপনি হায়খি।

# ব্রাউন্দ সুগর কে জি ১০.৮ রোম ফংখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...*
চীংনবা কে জি ১০.৪ রোম ফংবা ঙমখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী স্পিসিয়েল মোবাইল পেট্রোল য়ুনিট (এস এম পি য়ু)গী কে ঐচ অঙৌসনানা ফোঙদোরকখিবদি বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী ও সি রজিব খান, এ এস আই সমসন সিংহ লাইশ্রমনা লুচিংবা এস এম পি য়ু অমদি এস দি পি ও নুরকমল সৈখ, ২০ অমসুং ৪৮ শুবা সি আর পি এফ বট্টালিয়ান অমদি ৩৮ এ আরগী অপূনবা কাংবু অমনা মখা বষ্টি এরিয়াদা চঙশিন্দুনা থীবা হুম্বগী থবক চৎখি। ওপরেসন অদু এস পি প্রকাস পান্দে আই পি এসকী মীৎয়েং মখাদা এদিস্নেল এস পি টি ঐচ কমলজিৎ সিংহনা কম্মান্দ তৌরগা চৎখিবনি। মদুদা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা ফিস ফার্ম মনাক্তা হায়রিবা ট্রক অদু থেংনবদগী এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেদ হিফাজিুদ্দিন য়াওনা নীংথিনা চেক তৌবদা ট্রক অদুগী কেবিনগী মথক থংবা শরুক্তা হায়রিবা বাউন্দ সুগর নত্রগা হেরোইননি চীংনবশিং অদু য়াওরম্বা থেংনখিবনি।

ওপরেসন অদুদা ট্রস অদুসু ফাগৎপগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ১৫০০সু ফংবা ঙমখ্রে। ট্রক অদুগী দ্রাইভর অদু অসামগী কছার লালপানি ন্যু খৈরাবাদ ফোরেষ্ট ভিল্লেজদগী আজহার হুসেন এলাইজ মোনু অপোকপা লৈখিদ্রবা বাবুল হুসেন কৌই হায়বা খঙবা ঙল্লে, মহাকসু ফারে হায়রি।

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী খোঙজং হন্দোকখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...*
মহুৎ শিল্লদুনা কৈথেল ফম্বী থিঙুজম রানিনা হায়, এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা মণিপুরদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা জে এফ দিনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদু শৌগৎলদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমাশিংনা শিন্থা লেপ্পগা লোয়ননা অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। অদুবু লমদমসিগী ওইরিবা ফিভম অমদি মীয়ান্না থেংনরিবা চৈথেং কয়া অসি য়েংলগা জে এফ দিনা খোঙজং হন্দোক্লবগী ৱাফম থল্লকপদগী ইমাশিংনা খোঙজং অসি হন্দোকপনি। নোংমগী চারা তাল্লিবা মীয়াম অমদি কৈথেলদা য়োন্নবা মনা–মশিং কয়া পৎশিল পুমশিল্লকপা অসিনা পীগদবা চৈথেং অদু য়েংলগা কৈথেল হাংদোকপগী ফিরেপ অসি লৌবনি। হয়েংদগীদি মহৌশাগুম খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পোৎফম পূন্নমক হাংদোক্তুনা শীন্থা পাঙথোক্লগনি। অদুম ওইনমক এন আর সি তৌদুনা মীতোপ খন্দোক্ত্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা মীয়ান্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মায় পাক্ত্রিবা ফাওবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমাশিংনসু চপ চানা শৌগৎকনি হায়খি।

# মতমগী মতুং ইন্না এন আর সিগীসু ...

*লমায় ১গী মখা...*
সম্বিত পাত্রানা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি পার্টিগী অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্লবগীদমক ইম্ফালদা ঙসি থুংলরবা মতুং হোটেল ইম্ফালদা পাউমীশিংদা রাজ্য সভাগী এম পি সম্বিত পাত্রানা হায়, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরবু লুম্না লৌই। মরম অদুমক্কা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পুখৎলকপা ৱাফম কূপ্না খন্থদুনা খোঙথাং কয়া পায়খৎলল্লিবনি। মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা সেন্সসকী মতম য়ৈথোক্লবা অয়াবা পীরকপা অসিমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ অমদি গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা শরুক য়াদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমনা সেন্সস য়ৈথোকপগী মতাংদা কূপ্না খন্ন–নৈনখিবনি। মণিপুরদা সেন্সস পাঙথোকপগী মতম য়ৈথোক্লবগীদমক ষ্টেট অসিগী লৈরিবা এম এল এশিং য়াওনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়কৈদগীসু কন্না তকশিন্দুনা লাকখিবনি। সেন্সসকী মতম য়ৈথোরকপা অসিমক মণিপুর মীয়ামগী ওইনা অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়না খল্লি। মণিপুরগী মীয়াম্না এন আর সি অপদেসনগী দিমান্দ তৌরিবা অসিসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী থাক্তা খন্নরবা মতুং মতমগী মতুং ইন্না থবক পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। এন আর সিগী থবক থৌরম পায়খৎনবগী ৱারেপ অসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী থাক্তা লৌরক্কদবনি হায়খি।

ইম্ফালদা থুংলখিবা সম্বিত পাত্রাবু রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ সরদা য়াওনা বি জে পি মণিপুরগী লুচিংবশিংনা তরান্না ওকখি।

# এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস...

*লমায় ১গী মখা...*
ফোং ফোং শারিবা এন আর সিগী ইশু খন্নসি হায়দুনা এদজোর্মেন্ট মোসনগী নোটিস অমা পীশিনখিবদো খন্নগদ্রা খন্নরোইদ্রা হায়বা খঙনিংই হায়না স্পিকরগী পুক্লিং চীং শিনখি। হাউসকী লিদর চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মমাঙদা ২০২২গী ওগষ্ট ৫দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা এন আর সিগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপ অদুগা ২০২৪গী মার্চ ১দা রিএফার্ম তৌখিবা ৱারেপ অদু ঙসিসু অমুক রিএফার্ম তৌসি হায়না পুখৎলকখি।

ওপোজিসন অমসুং রুলিং পার্টিগী মরক্তা মতম শাংনা অৱাই অখুম তৌনখি। ওপোজিসনগী মায়কৈদগী ২০২২দা লৌখিবা ৱারেপ অদুদা য়াওখিবা পোপুলেসন কম্মিসন লিংবা হায়বা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকখ্রবনিনা হান্নগীদুগা শন্নহন্দনা অনৌবা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌনবা তক্লখি। অদুবু রুলিংগী মায়কৈদগী করিসু অকায়বা লৈতে হায়দুনা অৱাই অখুম তৌনখি। ওপোজিসন পার্টিনা পুখৎলকখিবা এদজোর্নমেন্ট মোসন অদু লৌই নত্রগা লৌদে, খন্নগনি নত্রগা খন্নরোই হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা খঙহল্লু হায়না স্পিকরদা অকনবা মওংদা তকশিনখি। অদুবু মোসন অদু লৌদনা এন আর সিগী ইশুগী মতাংদদি অদুমক খন্নখি। ইশু অসিদা ওপোজিসন অমসুং রুলিং অনীমক্না অমত্তা ওইনা য়ান্নরবসু মতম শাংনা য়েংনখি।

নুংথিলগী মীফম হৌরকপদা ইশু অসি চপ মান্ননা অমুক নাকল অনীদা অৱাই অখুম তৌনখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা পুখৎলকপা রিজোল্যুসন অমা ‘২০২২গী ওগষ্ট ৫ অমসুং ২০২৪গী মার্চ ১দা হাউসনা লৌখিবা রিজোল্যুসন অদু রিএফার্ম তৌদুনা মণিপুরদা এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস তৌদনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনবা’ হায়বা ৱারেপ অমা পুখৎলকপদগী মদুগী কোপি মেম্বরশিংদা ফংহন্নবা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা হায়বগা লোয়ননা মদুদা শেমদোক শেমজিন তৌসি হায়বগী ৱাফম থমখি। মখা তানা চীফ মিনিষ্টরনা পুথোরকখিবা ৱারেপ অদুদা অপদেট হায়বা ৱাহৈ হাপচিন্দুনা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস তৌদনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনবা হায়বা ৱারেপ হাউসনা পাস তৌখিবনি।

# কোপমেভনা খোঙজং শৌগৎল্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
প্রোটেক্সন ওফ মীতৈ ভিক্টিমস মোরে (কোপমেভ)না জে এফ দি অমদি ১৪ সি এস ওগী খোঙজংশিং শৌগৎলল্লি।

কোপমেভ মোরেগী কনভেনর টিঐচ বুধ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা এন আর সি হান্না পাঙথোক্তুনা সেন্সস কোন্না তৌগদবনি হায়বা জেএফদি অমদি ১৪ সিএসওগী খোঙজংশিং দা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ মীতৈ ভিক্টিম্স (কোপমেভ), মোরে অমসুং মোরেদগী লাঞ্জেন্নরিবা আইদিপিশিংনা মপুং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা শরুক য়াগনি হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌজিক ইরমদম মণিপুর অসিদা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা তৌনিং তৌনিংবতা তৌদুনা য়েলহৌমীশিংগী মথক্তা প্রোক্সি ৱার চথদুনা দেমোগ্রাফিক ইম্বেলেন্স থোকহল্লে। মসিদগী কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেদি এনআরসি পাঙথোক্তুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং খন্দোকপা অসি য়াম্না মরুওইবা খোঙথাং অমনি। মরম অদুনা এনআরসি পাঙথোকহন্নবগী জেএফদি অমদি ১৪ সিএসও কং লৈপাক্না চঙশিল্লকপা খোঙথাং খুদিংমক্তা কোপমেভ মোরে অমদি আইদিপিশিংনা শরুক য়ানবগী ফিরেপ অসি লৌজবনি।

লোয়ননা ঙসিদগী হৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আইদিপিশিংগী এজেন্দা পুথোকপিদুনা আইদিপিশিং অসিবু মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহন্নবা অমদি মাংখ্রবা লন থুমগী অশেংবা এসেসমেন্ট তৌদুনা মতিক চাবা কম্পেন্সেস পীবিনবগী বিল, ৱারেপ লৌবিনবা হায়নসু কোপমেভ মোরেনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী পুক্নীং চিংশিল্লক্লি। ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা এনআরসি পাঙথোক্লবগী গেজেট অমা চৎলিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা পাস তৌবিদুনা অথুবদা এনআরসিগী থবক পাঙথোকপিনবসু আপিল তৌরক্লি।

# কলমনা মনা পীনবা লাইরিক কৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
কংলৈপাক লোইনশিল্লোন অপুনবা মণিপুর (কলম)না চহী খূদিংগী অমদি চহী অনী অনী লৈরগা পীদুনা লাকপা লোয়নশিল্লোন মনা পীনবা অইবা অইবীশিংদগী লাইরিক কৌরক্লি।

কলমগী থৌবুরেল এন তময়াংবা (দেবেশ্বর) মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০২৩গী সেপ্টেম্বর ১দগীনা কুমজা ২০২৬কী ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা লোনয়ান য়াওদবা মীতৈ ময়েক য়াওনা নমথোক্লবা হান্না মনা শুংফং ফংদ্রিবা লাইরিকশিং থাজিল্লকপা য়াগনি। মনা অসিদা শেল, শকখঙচে, লেঙয়ান য়াওরি। লোয়নশিল্লোন মনা অসি কুমজা ২০২৭কী ফেব্রুৱারী ৯দা পাঙথোক্কদবা কলমগী ২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা খূৎশিন্নগনি। লাইরিক মনাশিং অসি চহী খূদিংগী পীবা মনা ওইনা ৱারী লীশাংগী লাইরিক (নোভেল)দা হাওবম সনাজ াউবা (হাওবা) নীংশিং লোইনশিল্লোন মনা ২০২৬ লান্থোক্কনি। লোয়ননা চহী অনী অনী লৈরগা পীবা মনা ৱারীমচা লাইরিকতা লৈশাংথেম সোমানন্দ নীংশিং লোইনশিল্লোন মনা ২০২৬, ইনাৎকী মরমদা ইবা লাইরিকতা কংলৈ ইনাৎকী মপারী কৈথেল্লাকপম সনাহোংবা লোইনশিল্লোন মনা ২০২৬, শৈরেংগী লাইরিক্তা মোইরাংথেম রাজেন্দ্র নীংশিং লোইনশিল্লোন মনা ২০২৬, লোইনশিল্লোনগী নৈন ৱারেংগী লাইরিক্তা ডা শরতচন্দ্র লোংজাম্বা অমদি শোরোজিনী লোইনশিল্লোন মনা ২০২৬ অসি পীগনি। মনা অসিগীদমক থাজিল্লক্কদবশিংনা মশা মশাগী লাইরিক অদু কোপি ৩ /৩গা লোয়ননা ফোটো পাসপোর্ট য়াওনা ইশাগী তেন্তকপা শক্তাক ৱারোল অমমম নমথোক্তুনা হাপ্পগা থাজিল্লকপা য়াগনি। মনাগীদমক লাইরিক থাজিল্লকপগী অরোইবা মতমনা সেপ্টেম্বর ৩১ ফাওবা ওইগনি। লাইরিক থাজিনফমনা কলমগী শিংজমৈ চিরোম লৈকাইদা লৈবা ময়াইলোইশঙ অমদি মোইবল নম্বর ৭০০৫৭১০৯৯৪ নৎত্রগা ৮৭৯৪০০৮৯৫৪ দা থাজিল্লকপা য়াগনি। লোয়ননা মনা থাজিল্লকপা অসিগা মরী লৈননা মোবাইল নম্বর ৭০০৫৩৯৬৯১১ নৎত্রগা ৯৮৫৬১৯২৯৯০দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট...

*লমায় ১গী মখা...*
অদু য়েংলগা লেপ্পনি। সপ্লিমেন্টরি ওইনা গ্রান্ট তৌনবা দিমান্দ তৌরিবা অসি মরু ওইনা ষ্টেট লৈঙাক্কী ইমপ্লোই অমসুং পেন্সিনরশিংগী দি এ অমদি দি আর হেনগৎপনা মরম ওইরগা তোলোপ অমদি এলাৱেন্স পীথোকপদা অহেনবা ফন্দ দরকার ওইরকপা, অনৌবা অমসুং হৌজিক পায়খৎলিবা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর স্কিমশিং অমদি অতোপ্পা এক্সটর্নেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিং অসিগী অহেনবা প্রোভিজন দরকার ওইরকপা অমসুং ষ্টেট কনটেজেন্সি ফন্দদগী এদভান্স ওইনা লৌথোকখিবা শেনফম অদু মেনখৎনবা হোৎনবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেটকী চান্নবা সেয়র য়াওদনা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর স্কিমশিং, নবার্দ, ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী গ্রান্ট বেকলোগ অমদি এক্সটর্নেল্লি এদেদ প্রোভিজনগী মখাদা লুপা ক্রোর ৩,৪৩৯ হেনগৎলকপগী প্রোভিজনসু লৈ। হন্দক্তা দি এ অমসুং দি আর হেনগৎখিবা অসিনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোইশিংগী সেলরি অমদি ৱেজেজগী মখাদা লুপা ক্রোর ১৯৫গী শেনফম অহেনবা ওইনা শেমদবা য়াদে। অদুগা শেনবা চহী ২০২৪–২৫, ২০২৫–২৬ অমসুং ২০২৬–২৭গী মনুংদা কন্টিজেন্সি ফন্দদগী চাদিং তৌখিবা লুপা ক্রোর ৩৩২সু মেনখৎতবা য়াদে হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট ওইনা অহানবা বেটচকী দিমান্দ তৌরিবা অসি নীংথিনা খন্নবিরগা অয়াবা পীবিনবসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মণিপুর লেজিসলেটিভ...

*লমায় ১গী মখা...*
মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হৌদোক্তুনা লৈখিদ্রবা এম এল এ ৪গী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। তুংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবি, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, সি এল পি লিদর কে মেঘচন্দ্র, হান্নগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বর, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, উখ্রুল এ সিগী এম এল এ রাম মুইভা, লিলোং এ সিগী এম এল এ এম দি অব্দুল নসির অমসুং ফুংয়ার এ সিগী এম এল এনা মথং মনাও নাইনা অৱাবা ফোঙদোক্লখি। তুংদা লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর থোকচোম সৈত্যব্রতনা লৈখিদ্রবা এম এল এ ৪গী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারেপ অদু লৌখি।

# পিপুরাম মকুই খুলদা চথখিবা...

*লমায় ১গী মখা...*
খুদোংথিবা থোক্লকপা য়াবা খুলশিং সিক্যুরিটি মতিক চানা থম্বীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংদা কয়ারক হায়খিবা লৈরবসু হৌজিক ফাওবা তাবিদনা লৈরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি য়াম্না লাইবক থীবনি অমদি য়াবা ঙম্লোই।

চেরোল অসিনা মখা তানা দিমান্দ তৌরকখিবশিং অদুদি, পিপুরাম অমদি থংনবা নাগা তাবা খুলশিংদা সিক্যুরিটিশিং মতিক চানা দিপ্লোইমেন্ট তৌগদবনি। অৱাবা তারবা খুঞ্জাশিং ইভাকুয়েট তৌবা য়াওনা মতিক চানা ঙাকপী শেনবীনবা হোৎনগদবনি। মাঙহন তাকহনখ্রবা য়ুম অমদি লম–থুমশিং অমুক হন্না শাগদবনি। অমদি থৌদোক অসিগী মতাংদা অকক্লবা মতমদা কূপ্না থীজিন্দুনা চেন্নবশিং ফাগদবনি। থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না চপ চাবা এক্সন লৌখৎলু। মাঙখ্রিবা য়ুম, লন–থুম অসিগী মতাংদা চপ চানা কমপেন্সেট তৌবা অমদি অসিগুম্বা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবা খুঞ্জাশিংদা এসুরেন্স পীগদবনি। মীচমশিংগী মথক্তা চথরকপা ক্রাইমশিং অসি তরাইননা লৌফম থোক্তে হায়না চেরোল অসিনা পল্লি।

# বেঙ্গলোরদা পাঙথোকপা...

*লমায় ১গী মখা...*
পীরকখিবা অসি মহাক্না ক্বালিটি এজুকেসন, স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি চাওরক্না চহী ১৬ রোম মণিপুরগী নহারোলশিংগী তুংগী য়াইফনবা অমদি কেরিয়র শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা অদুবু শকখঙলদুনা পীরকখিবনি।

বিজিনেস সক্সেস এৱার্দ ২০২৬ লান্থোকপগী থৌরম অদুদা ক্বান্টম লিপকী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা রজিব তলরেজা, কারন হসিজা অমদি লৈবাক অসি খক্কী নত্তনা মালেমগী বিজিনেসকী লমদা চাওনা মায় পাক্লবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# দিসএব্লিটিশিংগী হক মপুং ফানা ফংহনগদবনিঃ বিরাহরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্টনা পীরিবা কাঙলোনশিং অমদি রাইট টু পার্সন ৱিথ দিসএব্লিটিস এক্ট ২০১৬গী মখাদা পীরিবা রাইটশিং মীপূম খূদিংমক্না খঙমিন্নদুনা দিসএব্লিটিশিংগী ফংফম থোকপা রাইট মপুং ফানা ফংহনগদবনি হায়না ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন ৱিথ দিসএব্লিটিস দব্লীউ বিরাহরিনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্ট আইদেল ব্লাইন্দ স্কুল তকয়েলগী ৫৩শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ষ্টেট কম্মিস্নার দব্লীউ বিরাহরিনা হায়, নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা লৈরিবা স্পিসিয়েল স্কুলশিংগী মনুংদা মণিপুরগী গভর্ণমেন্ট আইদেল ব্লাইন্দ স্কুল অসিসু থাক ৱাংনা লৈরি। স্কুল অসিদগী হৌখিবা মহৈরোই কয়া ঙসিদি য়ুনিভর্সিটি লেভেল ফাওবা তমদুনা দোক্টরেট কয়া ফংবতা নত্তনা য়ুনিভর্সিটিদা থবক তৌবা ফাওবা য়াওরি। মসিদসু নত্তনা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা য়েংলুরবসু ঙসি স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা উৎলিবা ঈশৈ অমদি ম্যুজিক পর্ফোমেন্স অদুক্কী মতিক থাগৎনিংঙাইনি। ঙসিদি ইন্দিয়াগী ওইনসু চহী খূদিংগী ভর্চুয়েল ইম্পয়রশিংগী মরক্তগী মীওই ১–২দি অদুমক আই এ এস ফাওবদা য়াওরিবনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসন খূদিংমক্তা পার্সন ৱিথ দিসএব্লিটিশিংসু এসেসসিবিলিটি ওইহনগদবনি অমদি ওইহন্নবা থবক লৌখৎকদবনি। করিগুম্বা হায়রিবা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং থবক চঙবগী, মহৈ তম্বগী পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি তুহৎপিবা তারবদি লিগেল এক্সন ফাওবা লৌখৎপসু য়াই হায়খি।

তাকয়েল ব্লাইন্দ স্কুলগী ওদিটোরিয়মদা স্কুলগী মহৈরোইশিংনা তোঙান–তোঙানবা ঈশৈ অমদি ম্যুজিকশিং উৎতুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর সৈখ অব্দুল হকিম, হান্না আইদেল ব্লাইন্দ স্কুল তকয়েলগী হেদ মাষ্টর ব্রজ মোহোননচিংবনা শরুক য়াখি।

সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখদা পাঙথোকখিবা দিবেট কম্পিটিসনদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম পীদুনা পুক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী আইদেল ব্লাইন্দ স্কুলগী মহৈরোইশিংদসু লেপ্টোপ অমদি কিবোর্দশিং খুৎশিন্নখি।

# এসেমব্লিদা চপ চাবা ফিরেপ লৌ হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
ইরাংগী ৱারোইশিন পুক্ত্রিবা ফাওবা সেন্সস য়ৈথোক্তুনা মণিপুরদগী মীতোপ খন্দোক্লবা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স (এন আর সি) অপদেট তৌবা য়াওনা তোঙান–তোঙানবা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা চথরিবা ষ্টেট এসেমব্লীদা লৈঙাক্লা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌ হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খুয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মনাক্তা ঙসি চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং অদু শরুক য়ারদুনা ইমাগী মৈরাগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সুজাতানা হায়, থা অসিগী ২দগী হৌদুনা চথরিবা ষ্টেট এসেমব্লী মীফমদা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মণিপুরদগী মীতোপ খন্দোক্লবা এন আর সি অপদেট তৌবা য়াওনা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌ হায়দুনা ঙসি মীয়ান্না খোঙজং অসি চঙশিল্লিবনি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মীওই কয়া চৈথেং মায়োক্লহল্লিবনি। লৈঙাক্লা নেসনেল হায়ৱেদা চৎপা য়ারে হায়রবসু মীচম মীয়াম ঙসি ফাওবা নিংতম্না লম্বী চৎপা ঙমদ্রি। লাঞ্জেন্নরবা আই দি পিশিং মশাগী মফমদা হঞ্জিলহন্নবা ৱাফম য়াওনা মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা চপ চাবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবা সেন্সসকী থবক থৌরম পুন্নমক লেপকদবনি হায়বা য়াওনা তোঙান–তোঙানবা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা ঙসি মীয়ান্না খোঙজং অসি চঙশিল্লিবনি। হৌজিক চথরিবা এসেমব্লী মীফম অসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা চৎনরিবা সেস্পেন ওফ ওপরেসন (সূ) লৌথোকপা, নাগা মীচম ৬ ফাদুনা পুখ্রগা মীহাৎ থীনা হাৎপদা চেন্নবশিং অথুবদা ফাগৎতুনা চপ চাবা থবক পায়খৎপা, মণিপুরগী ইরাং অসিদা মীচম মীয়াম্বু ঙাক শেল্লককখিবা খুল ঙাকপশিংগী প্রোটেক্সনগীদমক বিল পাস তৌদুনা চৎনহনবা, মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী হক অমদি শক্তম ঙাক শেন্নবগীদমক মণিপুর ইন্দিজিনিয়স পিপলস (ভেরিফিকেসন, আইটেন্টিফিকেসন এন্দ রেজিষ্ট্রেসন)এক্ট চৎনহনবগী চপ চাবা ফিরেপ অমা এসেমব্লী মীফমদা মীহুৎশিংনা লৌগদবনি হায়বা দিমান্দ তাল্লদুনা খোঙজং অসি চঙশিল্লিবনি হায়খি।

অমরোমদা, এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎতুনা খুরাই চাইথবী লৈরক মচিনগী অপূনবা মৈরা পায়বীশিংনা ঙসি ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। খুরাই চাইথবী লৈরক মচিন্দা চথখিবা ৱাকৎ খোঙজং অদু শরুক য়ারদুনা খুরাই চাইথবী লৈরক মচিনগী অপূনবা মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম বিদ্যারানীনা হায়, এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা মীয়ান্না লাউরিবা খোল্লাউ অসি তাদুনা ষ্টেট এসেমব্লীদা লৈঙাক্লা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌগদবনি। জে এফ দিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা খুরাই চাইথবী লৈরক মচিনগী অপূনবা মৈরা পায়বীনা শৌগৎকনি হায়খি।

# পুন্না নুংশিননা হিংমিন্নবগী মচত্তা শীংনবা ...

*লমায় ১গী মখা...*
মীফা মীপুনগা লোয়ননা মতুপ মতুপ কত্তুনা মী হাৎপা অমদি মীচম মীয়ামদা খূৎলায় পায়বশিংনা এম্বুশ চথদুনা হাৎপা তুপ্পগী থৌওং অসি তমথিরবা টেরোরিজমগী মচৎনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি লূপ ৫না অকনবা মওংদা য়ানিংদে। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা টি ৱাইচোং সব–দিভিজনগী তোঙান তোঙানবা খুল অহুমদা খূৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথদুনা য়ূম কয়া মৈ থাবগা লোয়ননা মীওই অমবু অশোক অপন নংহনখিবগী থৌওং অদুমক টেরোরিষ্টকী তমথিরবা মচৎ অমনি। পুন্না হিংমিন্নবা অমদি নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী মচৎপু শিংনবা থৌওংশিং অসি খুদক্তা লেপকদবনি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা চথরল্লিবা তমথিরবা টেরোরিজমগী থৌওংশিং অসিনা মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলুপশিংগী মরক্তা অমনা অমগী মথক্তা লমন খুন্নদুনা হেন্না তমথিবা লান অমা ওইহল্লক্লি। মীহাৎ মীপুন য়াওনা তমথিরবা মীওৎ মীনৈ কয়া চথরিবা অসি লেপ্তুনা অপুনবা মণিপুর অমগী পান্দমদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপশিং অসিনা নুংশি চান্ননা লৈবা হায়বসি তঙাইফদবনি।

মীচম মীয়ামগী য়ূম মৈ থাবা, ফারগা হাত্তোকপা, থিবা খঙহন্দবা, চথোক চৎশিন য়াহন্দবা, চান–থক্লবা পোৎলম পুবা থিংবা অমদি য়ৈখায় থিনগায়বগী থৌওংশিং অসিনা পুরক্কদবা অচুম্বা ৱারোইশিন অমত্তা লৈতে। মসি খঙনা কাঙলূপ ফুরুপকী মীপুম খূদিংমক্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। চহী ৪ ফারক্কদৌরিবা ফাওবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা মীয়াম্বু থমদুনা হেন্না অৱাবা পূন্সি মরেল অমদা হিংহন্নবা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা শীনবা খূৎজিন থৌরাংনি। লৈঙাক অমা ওইবগী মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং মতম চানা পায়খত্তবনা থৌদোক কয়া লেপ্তনা থোকহল্লি। লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবা ইরাং অসিগী চৈরক্তা তম্পাক্তনা পাক্তক্লনা মখল কয়াগী ওপরেসন চথরি। খূৎশু খূৎলায় কয়া ফাগৎপদা নত্তনা মীওই কয়া অমসু ফাগৎলি। অদুবু চীংগী মফম অয়াম্বদদি মখল অমত্তগী ওপরেসন কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্ত্রি। মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ইরাং শন্দোক্লিবা অসি খূদক্তা লেপহনগদবনি। শাংলবা চহী কয়া খুন্দা লৈতাদুনা হিংমিন্নরক্লবা কাঙলুপ ফুরুপশিংগী কাঙ্খুল মুখৎনবা অতম্নমা লৈঙাক্লা শীল্লক্লিবনি হায়বসি খঙমিন্নদুনা লমন খুন্নবগী ৱাখল্লোন থাদোকপগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ইরমদমগী তুংলমচৎকী লম্বী শেম্মিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রিঙৈ লৈঙাক্তা থাজবা...

*লমায় ১গী মখা...*
কুমজা ১৯৫১না বেজ ইয়র ওইদুনা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস য়ৈথোক্লে হায়বগী ওর্দর ফংদবনা দেমোক্রেটিক ওইবা অকনবা খোঙজংশিং মখা তানা চঙশিনমিন্নখিসি। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়ামগী দিমান্দ অমা ওইরিবা সেন্সস য়ৈথোকপগী ৱাফমগা মরী লৈননা মণিপুরগী সি এমনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর অমা ফংদ্রিবা মরন্না মণিপুরগী সেন্সস দিফর তৌরে হায়বসি জে এফ দিগী মায়কৈদগী য়াবা ঙম্লোই। সেন্সস য়ৈথোক্লে হায়বা পাউ অসি ওফিসিয়েল ওইদ্রি হায়বসি লৈবাক মীয়ান্না খঙবিয়ু। মণিপুরগী মীয়ান্না ঙসি তাল্লিবা এন আর সি অসি ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা অপদেট তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ অসিসু অহোংবা লৈতে হায়খি।

লোয়ননা জে এফ দিনা চঙশিল্লক্লিবা নো এন আর সি নো সেন্সসকী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ওগষ্ট ৩১দগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ১গী অহিং নোংয়াই ফাওবা কৌখিবা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইকপু মীয়ান্না মপুং ফানা শৌগৎপীবগীদমক জে এফ দি অমদি জে এফ দি টাস্ক ফোর্সকী মায়কৈদগী থাগৎলক্লি।

# অৱাং নোংপোক্কী অপিকপা ষ্টেটশিং পূন্না...

*লমায় ১গী মখা...*
খক্তা নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইবা অপুনবা খোল্লাও লাউরমখি। মসিগী মথক্তা মহাক্কী মতমদা পার্লিয়ামেন্টতা কনাগুম্বা এম পি অমত্তনা লৈবাক অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী খোল্লাউ পুখৎত্রিঙৈদা মহাক্না ইহান হান্না পি এম অমা ওইনা য়েলহৌমীশিংগী খোল্লাউ পুখৎখিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসিগী সেমিনার অসিমক লুচিংবা অসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীয়ামগীদমক্তা অৱাবা থীদনা হোৎনরমখিবা কয়াবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপনি। ত্রাইবেলশিংগী লক্তগী লৈবাক অসিগী অহানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইখিবা পি এ সঙমানা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগীদমক্তা অশানবা মীৎয়েং থল্লম্মী। মীৎয়েংশিং অদুগী মরক্তা ঙসি ফাওবা মঙফাওনবা ঙমদনা লৈরিবা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইবা অপুবা পোলিটিকেলগী খোল্লাউ অসি ঙসিগী মীরোলনা মঙফালনহনবা চঙই হায়খি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইনা এম পি মশিং য়ামদনা সেন্টরনা ষ্টেটশিং অসিগী খোল্লাউ অসি নীংথিনা লৌদে। মরম অসিনা ষ্টেটশিং অসি অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা মান্নবা খোল্লাউ লাউমিন্নবা মথৌ তারি। তঙদু লৈতানা লৈরিবা মতমদতা চাওখৎ লম্বীদা খুৎমাং চাওশিনবা ঙমগনি হায়বা লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোল তুং ইন্না অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসিদা পিছ পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। মালেমগী চাওখৎপা লৈবাকশিংদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি অমদি এজুকেস্নেল ইন্সটিট্যুটশিংনা রিছার্স তৌদুনা লৈবাক অদুগী পোলিসি শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসিগুম্না ঙসিগী সেমিনার অসিগী মতেংনা পোলিসি শেম্বদা চাওনা মতেং ওইগনি হায়খি।

মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা পাল্লদুনা মহাক্না হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী চথরক্লিবা মণিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং পীরিবা অসি কোক্লবা হোৎনমিন্নবা চঙই। কুমজা ২০২৬কী মার্চ থাদা য়েংথিনরিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরক্লবা ৱারি শানবগী অহানবা খোঙথাং লৌখৎখ্রবসু ঙসি ফাওবা মীওই কয়া মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরি। দাইলোগ অসি মাঙলোমদা চঙশিল্লকপগী ফিভম উদবা অমদি করম্বা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বগী রোদ মেপ অমা য়াওদ্রিবা অসি শেম্বা চঙগনি হায়খি। মণিপুরদা ঙসি ঙসিমক ওইরিবা ফিভম অসি মশা নাদুনা লৈবা মীওই অমগা পাঙ্খকনি। অনাবা অদুগী লায়না লায়ওং খঙদোক্তুনা মতম চানা হীদাক থারবদি ফগৎলকপগুম লমদম অসিগী মীয়ান্না ঙসি নঙলিবা চৈথেং অসিসু মতম চানা দাইলোক চথরবদি শোইদনা ফগৎলক্কনি। দাইলোক অসি মপুং ফানা অমদি মায় পাক্লা চথদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। ফুরুপ মশেলগী মরক্তা লৈনরিবা নিংঙাই শঙদানবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা পি এ সঙমা ফাউন্দেসননা ঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নাগালেন্দগী একাদেমিসিয়ান মিনহোলুমো কিকোন, অসামগী হাফলোংগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট দেনিয়ল লাঙথাসাসু শরুক য়াখি।

# ই সি আইনা বি জে পিবু মীখলদা মায় পান্নবা এস আই আর চথ্দুনা ভোটর লিষ্ট শেমদোক শেমজিন তৌবগী থবক চথরে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি):
ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) চথ্দুনা বি জে পিবু মীখলদা মায় পান্নবগীদমক ভোটর লিষ্ট শেমদোক শেমজিন তৌবগী থবক চথরে হায়না রাজ্য সভাগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম পি কপিল সিবলনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজনগী খোঙথাং অসি বি জে পিবু লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা অতম্ননা মায় পান্ননবগীদমক খুজিল থৌরাং তৌদুনা চথবা ই সি আইগী খোঙথাং অমনি হায়নসু হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্বা রাজ্য সভাগী এম পি কপিল সিবলনা মখা তারক্লি।

কপিল সিবলনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা, বি জে পিগী এজেন্টশিংনা মুস্লিমশিংবু অতম্ননা টার্গেট তৌদুনা ভোটর লিষ্টতাগী মশিং য়াম্না লৌথোক্লবা খুজিল থৌরাং চথুরি। অসিগুম্বা অরানবা খোঙথাং অসিবু লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংদুনা থিংনবা হোৎনবদা মথৌ তাই।

লৈবাক শিনবা থুংনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা চথরিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) অসি বি জে পিবু মীখলদা মায় পান্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবগীদমক ভোটর লিষ্টপু শেমদোক শেমজিন তৌনবগী চথবা খুজিল থৌরাং অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ঝরখন্দগী গোদা দিষ্ট্রিক্টতা বি জে পিগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা মরুওইনা মায়নোরিটি কম্যুনিটিশিংগী লৈরিবা ভোটিং রাইট অসিবু মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট তৌরকখ্রবা মতুং রাজ্য সভাগী এম পি কপিল সিবলনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

অসিদা নৎতনা কোংগ্রেস পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট মলিক অর্জুন খরগে অমদি রাহুল গান্ধীনা বি জে পি অমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

মালিক আর্জুন খরগে অমদি রাহুল গান্ধীনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবু বি জে পিনা খুৎলাই ওইনা শিজিন্নদুনা মীয়ামদগী ভোটিং রাইট মৎনবা হোৎনবগী থৌওং চথরে। লৈবাক অসিদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন শিজিন্নবগী মহুৎ হান্নগী বেলোট বোক্স ওইনা শিজিন্নদুনা মীখল পাঙথোকপগী অপান্বসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা মখা তানা ফোঙদোকখি, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা এস আই আরনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী ইলেক্টর ক্রোর ২.০৬ নৌনা ককথৎখ্রে।

বি জে পি অমদি ইলেক্সন ওথোরিটিনা মীখলদা মায় পান্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা অরানবা ষ্ট্রেটেজি কয়া চথরে হায়না বি জে পি অমদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবু মখা তানা মরাল শিখিবসু লৈখ্রবনি।

নিংশিংবা য়াবদি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা এস আই আরগী মতুং নৌনা ফোঙখিবা ইলেক্টোরেল রোলদা মশিং য়াম্লবা ভোটর কয়া লৌথোকখিবগী ৱাথোকসু ঙসি নোংমা নীনিসিগী মমাঙদা থোকখিবা লৈখ্রে।

# নেপালগী ঈশিং ঈচাও অদু মহৌশাগী খল কায়হল্লকপদগী থোকপনি হায়রদুনা ইন্দিয়া, চাইনা অমদি য়ু এসতা কম্পেন্সেসন পীনবা তকশিল্লকখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি):
হৌখিবা ওগষ্ট ২৬তা টিবেটকা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদগী হৌরকখিবনি হায়বা অকনবা ঈশিংগী ঈচেলনা নেপালদা থোকখিবা খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাও অদু মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীবদগী থোকখিবনি হায়রদুনা তোঙান তোঙানবা মেজর গ্রীনহাউস কয়া শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরিবা ইন্দিয়া, চাইনা অমদি য়ু এসতা কম্পেন্সসনগী শেনফম পীনবা নেপালনা তকশিল্লক্লি।

ওগষ্ট ২৬তা থোকখিবা খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদ অদুনা মরম ওইরগা নেপালদা মীওই ১,০০০ হেন্না লৈখিদবা অমদি কয়া অমনা থিবা খঙদনা লৈরিবশিং অসিবু নেপাল লৈঙাক্না অকনবা মওংদা রেস্ক্যু ওপরেসনগী থবক চথরিঙৈ ঈশিং ঈচাও অসিনা মাঙহন তাকহনখ্রবা নেপালগী য়াম্লবা লন থুমশিং অসিগী কম্পেন্সেসনগী শেনফম ইন্দিয়া, চাইনা অমদি য়ু এসনা পীগদবনি হায়না তকশিল্লকখিবনি।

নেপালগী ফোরেন মিনিষ্টর সিসির খনালনা মহৌশাগী খল কায়রকপদগী মরম ওইরগা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা মাঙহন তাকহল্লবা লৈবাক অসিগী য়াম্লবা লন-থুম অসিগী অৱাবা অমুক হন্না মেনখৎনবগী থৌদাং নেপাল খক্তনা লৌবা চুম্লোই। মহৌশাগী খল কায়রকপদগী থোকখিবা ঈচাও অসিগী অৱাবা অসি মেনখৎনবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা মশাগী দায়ত্ব খঙনা মতেং পাংবা মথৌ তাই।

মাঙহন তাকহনখ্রবা য়াম্লবা লন-থুমগী কম্পেন্সেসনগী শেনফম পীগদবনি হায়না নেপালনা দিমান্দ তৌরিবা অসি মথৌ মশক খঙবা লৈবাকশিংনা হায়নরুবা তৌদনা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরিবা নেপালদা শুংশোয় শোয়দনা মতেং পাংগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী ওইনা মহৌশাগী খল কায়হনবদা ইন্দিয়া, চাইনা অমদি য়ু এসনা মকোকথোংবা লৈবাকশিং ওইরি হায়না নেপালনা লৌরি।

নেপাল য়াওনা য়ূমথংনরিবা ইন্দিয়া অমদি চাইনা অসি মালেমগী ওইনা গ্রীন হাউসতগী থোক্লকপা গ্যাস ইমিটর খ্বাইদগী শরুক য়াম্না পুথোকপা লৈবাকসু ওইরি।

অদুগা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌদুনা য়ু এসসু গ্রীন হাউস গ্যাস ইমিসন পুথোকপদা খ্বাইদগী মকোকথোংবা লৈবাক ওইদুনা লাক্লি। ফোরেন মিনিষ্টর সিসির খনালনা লৈবাক অসিদা থেংনরিবা চৈথেং অসিগী অচুম্বা জষ্টিস অমদি কম্পেন্সেসনগী শেনফম ফংনবগীদমক দিপ্লোমেটিক ফ্রেমৱার্কসু নৌনা শেমদোক শাদোক্লগনি হায়না চেকশিন ৱা থম্লক্লি।


# রিটয়ার্দ এয়ার মার্সেল জিটেন্দ্রনা রাম টেম্পলগী সি ই ও ওইরগনি

লক্ষ্ণৌ, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি):
রিটয়ার্দ এয়ার মার্সেল জিতেন্দ্র মিশ্রাবু আযোধ্যাদা লৈবা রাম টেম্পলগী এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি অতৈ অতোপ্পা মরীলৈনবা মরু ওইবা থৌগাই কয়া পাঙথোক্লবগীদমক্তা চীফ ইজিক্যুটিব ওফিসার (সি ই ও) ওইনা শ্রী রাম জন্মভুমি তির্থ সেত্রা নিয়াসনা নৌনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

রাম টেম্পলগী সি ই ওগী থৌ পুনবা এপোইন্ট তৌখ্রবা রিটয়ার এয়ার মার্সেল জিতেন্দ্র মিশ্রা হৌখিবা চহী ২০২৫তা ইন্দিয়ান দিফেন্সনা ওপরেসন সিন্দুর হায়না মিংথোন্দুনা পাকিষ্টান টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা চথখিবা ওপরেসন অদুদা ৱেষ্টর্ন এয়ার কম্মান্দ ওইনা থৌ পুখিবা মীওই অমনি। মহাক য়ু পিগী দিওরিয়া দিষ্ট্রিক্টতগীনি হায়রি।

হৌখিবা চহী অসিগী জুন থাদা রাম টেম্পলদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না কৎলকখিবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম মফম খঙদনা মাঙখিবগী ৱাথোক থোক্লুনা লৈবাক অসিদা চরাংনবা থোক্লুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা রিটয়ার্দ এয়ার মার্সেল জিতেন্দ্র মিশ্রবু সি ই ওগী ফম পুনবা শ্রী রাম জন্মভুমি তির্থ সেত্রা নিয়াসনা খঙহনখিবনি।

## Crossword # 1133



Across
1. Menu item
5. Sicilian volcano
9. Last alternative?
14. Popular fish
15. MGM sound effect
16. An ice place to live
17. Culture medium
18. Sour or bitter in taste
20. Disparages
22. What the rich live in?
23. Blue triangle grp.
24. Start of a kindergarten song
27. "So what ___ is new?"
30. Like a famous dodger
32. Realize
35. "... Rich and Famous" host
38. Word with high pressure
39. Disparages
43. Part of NASCAR
44. It may connect a limb to a branch
45. Trunk contents, perhaps
46. Batter or battered
49. Pod pieces
51. Cunning
52. Chesterfield, e.g.
55. Beverage since 1898
59. Disparages
62. Range of skills in a particular occupation
65. Inveigh
66. Mindful
67. Scent
68. A lot, for many?
69. Dissuade
70. Rive
71. Examination

Down
1. ERA and RBI, say
2. Should (with "to")
3. Having only one component
4. Conditional release
5. Significant periods
6. Eighty-six
7. Well-groomed
8. Directional sign
9. Kind of equation
10. ___ Benedict
11. Steak partner
12. Trinity member
13. Nursery moppet
19. Andean of old
21. Partner of Fargo
24. Big hairstyles
25. Vista or Park
26. Brooch part
28. Red or Black waterway
29. Manhattan border river
31. Chi lead-in
32. Remnants of healing
33. Artist's stand
34. "How I Spent My Summer Vacation," maybe
36. Figure head?
37. Household staff
40. It does blowups
41. Caviar
42. Loses one's cool
47. Hardhearted lender
48. Larboard
50. Pointillist painter Georges
53. Elevator stop
54. Stage whisper
56. Locale
57. Mixes
58. Key
59. In this case
60. Golf club
61. Overly bookish type, stereotypically
62. Swell, '90s-style
63. Certain bleater
64. Frisk (with "down")

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# শেঙ্গা থুমজা তৌদুনা ট্রান্সফর তৌবগী থবক্তা পঞ্জাবকী সি এম ও চেন্নৈ হায়না এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা মরাল শীখ্রে




চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি):
পঞ্জাব লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিং মফম অমদগী মফম অমদা নৌনা পোষ্টিং তৌবগী থবক্তা শেঙ্গা থুমজা তৌবগী থৌওং কয়া চথবা থেংনরে। শেঙ্গা থুমজা তৌবগী চথরিবা রেকেদ অসিদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ওফিসকা মরীলৈনবগী ইভিদেন্স কয়া ফংবা ঙল্লে। ষ্টেট অসিদা ইনষ্টিট্যুসনলাইজ করপসন তৌবগী থৌওং চথরে হায়না এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায় কোর্টতা ইফিদিবিট পীশিনখ্রে।

পঞ্জাবতা শেঙ্গা থুমজা তৌবগী থৌওং কয়া পাক্তক্লনা চথরে হায়না ফোঙদোক্লদুনা ই দিদা ইনভেষ্টিগেসন চথহন্নবা লোয়র নিখিল শরফনা থারকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল)গী পাউখুম ওইনা ই দিনা পঞ্জাব অমদি হরিয়ানা হায় কোর্টতা লমায় ২০০ পানবা ইফিদেবিদ পীশিনখিবনি।

ই দিগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর অক্সেকুমারনা হায় কোর্টতা পীশিনখিবা ইফিদিবিদ অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা মে ৭তগী ১০ ফাওবা চথখিবা সর্চ ওপরেসনদা শেঙ্গা থুমজা তৌবগা মরী লৈনবা দিজিটেল ইভিদেন্স কয়া নিতিন গোহেল কৌবা মীওই অমগী প্রাইভেট প্রোপর্টিদগী রিকোভর তৌবা ঙমখি।

নিতিন গোহেল হায়রিবা মীওই অসি পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ভগৱন মানগী ওফিসার ওন স্পিসিয়েল দ্যুটি (ও এস দি) ওইনা থবক তৌরিবা রাজবির ঘুমনগা লৌতুনদুনা লৈঙাক্কী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ওফিসিয়েল কয়া শেল লৌদুনা ট্রান্সফর তৌবগী থৌওং চথৈ। অসিদা নৎতনা লৈঙাক্কী অরোনবা দোকুমেন্ট কয়া লিক ওইহনবা, নিয়ম লান্না আর্ম লাইসেন্স পীবগী থৌওং দা নৎতনা গভর্ণমেন্টতগী তোঙান তোঙানবা হিরমদা এপ্রুভেল লৌবগী থৌওং চথৈ।

নিতিন গোহল অমদি রাজবির ঘুমনগা লৌতুনদুনা বির দেবিন্দর অমসুং জিতিন গোহল এলাইজ রাজানা মীয়ামদগী লুপা ক্রোর কয়া খোমগৎপতা নৎতনা লন থুম মৎপগী থৌওং কয়াসু চথৈ হায়না য়াওরি।

পনবা য়াবদি প্রাইভেট ফার্ম কয়াগী মথক্তসু ই দিনা পি এম এল এ কেস পান্দুনা ইনভেষ্টিগেসনসু চথদুনা লাকখিবনি।

# আই এ এস ওফিসার ৬ য়াওনা মীওই ১৯গী মথক্তা সি বি আইনা চার্জসিট থাগৎখ্রে

চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি): হরিয়ানা লৈঙাক্কী শেনফম মফম খঙদনা মাঙখিবগী ৱাথোক্তা মরী লৈননা চথরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মনুং চন্না আই এ এস ওফিসার ৬ য়াওনা পুন্না মীওই ১৯গী মথক্তা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রে।

শেঙ্গা থুমজা তৌবগা মরী লৈননা সি বি আইনা চার্জসিট পানখিবা আই এ এস ৬ অদু হরিয়ানগী কেন্দর ঙাক্তনি। অদুগা লেমহৌরিবা মীওই ১৩অদুগী মনুংদা ৩না আই দি এফ সি ফার্ষ্ট বেঙ্ক, এ য়ু স্মোল ফাইনান্স বেঙ্ক অমদি হরিয়ানা গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা অচৌবা থৌগাই পুরিবা মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিং ঙাক্তনি। মখোয়গী মথক্তা সি বি আইনা ভারতিয়া নিয়য়া সনহিতা (বি এন এস)কী তোঙান তোঙানবা চার্জ কয়া পাল্লি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT IMPHAL EAST**
*R.R. No. 611/SDC(IE)/P of 31-8-2026*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**
*Porompat, the 2nd Sept, 2026*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Wakambam Serabanu Devi লৈফম Khurai Kongpal Chingangbam Leikai অসিনা লৈখিদ্রবী Takhelmayum Brojan Singh অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Heir certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মরীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরীলৈনবশিংনা Objection লাক্ত্রবদি মখা তাবা থবক চথরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
SL/Sus/03

# থা অসিগী ১১দা বেঙ্ক য়ুনিয়ননা ষ্ট্রাইককী খোঙজং চংশিল্লগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি):
চয়োল অমদা নুমিৎ ৫নি থবক তৌনবা অমদি সেনিয়ার বেঙ্ক ওফিসারশিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী রিভাইস পার্ফোমেন্স লিঙ্ক (পি এল আই)গী স্কম চৎনহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন (য়ু এফ বি য়ু)না লাক্লিবা থাগী অসিগী ১১দা লৈবাক শিনবা থুংনা ষ্ট্রাইক লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌতাবা পোজিটিব রেস্পোন্স পীরক্ত্রবদি লাক্লবা ওক্টোবর ২৬তগী হৌদুনা মতম কক্তবা ষ্ট্রাইককী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা থবক তৌবা মীওই চাদা ৯০ হেনবনা পূনশিন্দুনা শেম্বা য়ু এফ বি য়ুগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌখিবা চহী ২০২৪গী মার্চ থাদা য়ুনিলেটরেল এন্দ দিসক্রিমিনেটরি পি এল আই স্কিম হাংদোক্লগনি হায়না পীখিবা থাজবা অদু থবক্তা ওন্থোক্লদবনি। অদুগা চয়োলগী ওইনা নুমিৎ খুদিংগী থবক শুবগী মতম হান্নদগী মিনিট ৪০ হেন্না থবক তৌদুনা চয়োলদা নুমিৎ ৫ খক্তা বেঙ্কিং দে ওইনা চৎননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা মতম কয়াগী মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

## সনা-সুদোকু-১০৬৭গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 1 | 3 | 5 | 9 | 4 | 8 | 7 |
| 7 | 5 | 9 | 4 | 8 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 3 | 4 | 8 | 7 | 6 | 2 | 5 | 1 | 9 |
| 6 | 8 | 2 | 1 | 4 | 3 | 7 | 9 | 5 |
| 5 | 1 | 3 | 9 | 7 | 6 | 2 | 4 | 8 |
| 4 | 9 | 7 | 8 | 2 | 5 | 6 | 3 | 1 |
| 1 | 2 | 6 | 5 | 9 | 4 | 8 | 7 | 3 |
| 9 | 7 | 4 | 6 | 3 | 8 | 1 | 5 | 2 |
| 8 | 3 | 5 | 2 | 1 | 7 | 9 | 6 | 4 |

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT IMPHAL EAST**
*R.R. No. 620/SDC(IE)/P of 2-9-2026*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**
*Porompat, the 2nd Sept, 2026*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Laishangthem Mema Devi লৈফম Khurai Chinganganabam Leirai অসিনা লৈখিদ্রবী LeishangthemYaima Singh অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Wife certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মরীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরীলৈনবশিংনা Objection লাক্ত্রবদি মখা তাবা থবক চথরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East
SL/Sus/03

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE**

**NOTIFICATION**
Inphal, the 31st August, 2026

No.1/Childline/ICPS(SW)2017-18(Pt-1): In continuation to this Department's notification of even no. dated 14th August, 2026 for engagement of 148 (one hundred and forty-eight) posts of contractual staff for setting up Child Helpline 1098 under Mission Vatsalya in Social Welfare Department, Government of Manipur, it is hereby informed to all concerned candidates that for administrative conveniences, the examination centres of candidates who have opted/selected for **Imphal Centres** and are appearing in the **Evening Shift** have been re-allotted to the examination centres mentioned below:

| Sl. No. | Post | Examination Centre |
|---|---|---|
| 1. | Helpline Administrator | i. DM College of Science, Imphal (Evening Shift) & |
| 2. | Project Co-ordinator | ii. DM College of Arts, Imphal (Evening Shift). (Centre will be indicated in respective Admit Cards) |
| 3. | IT Supervisor | DM College of Arts, Imphal (Evening Shift) |

Candidates are requested to take note of the revised examination centres allotted to each candidate and advised to download their Admit Card on or before **04-09-2026 (Friday)** from the Department's website www.socialwelfare.mn.gov.in. All other details shall remain unchanged.

For any change/notification, the same will be notified in the above mentioned Department's website. All concerned shall regularly check the above mentioned website for any update. Social Welfare Department will not take responsibility for any missed update/notification.

*Sd/-*
**(Sheikh Abdul Hakim)**
Director (Social Welfare),
Manipur.
SL/5460/3&4

**In the Court of Sub-Deputy Collector Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 261/SDC/B/IE of 2026 Dt. 02/09/2026*
Hawaibam Premananda Singh S/O (L) H. Ibobi Singh of Okram Chuthek, Wangkhei Loumanbi. *- Petitioner*
***-Verses-***
(Late) Hawaibam Amu Singh S/O (L) Sanahongba Singh of Laumanbi. *- Pattadar*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**
*Bashikhong, the 02th, Sept, 2026*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃ ইঃ তাহশিল খূল নং 53-Wangkhei Loumanbi পাট্টা নং 292 অনৌবা দাগ নং 179 মোট এরিয়া 0.600000 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার Hawaibam Amu Singh S/O (L) Sanahongba Singh of Laumanbi দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা *লৌফম* অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,Bashikhong
Imphal East
SL/Mei/3

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 377 of SDC(IE)/P of 2026*

Bilkish Bahar D/O (L) Md. Ayajuddin W/O Abdul Halim of Kshetri Awang Leikai. ***- Petitioner***
***-Verses-***
(L) Md. Ayajuadin Miya S/O Saherudin of Kshetri Bengoon. *-O. P.*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**
*Porompat,the 02nd Sept,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bengoon গী Patta No. 119 (অরিবা), 298 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 516 measuring an area0.65 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

***Sd/-***
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur
*SL/Nanda/03*

**Government of India**
**Ministry of Chemicals & Fertilizers**
**Department of Chemicals and Petrochemicals**

**ENGAGEMENT OF LEGAL CONSULTANT**

Department of Chemicals & Petrochemicals invites applications from eligible and interested retired Central Government and Central PSUs employees for engagement as Legal Consultant on contractual basis.

2. The detailed vacancy circular dated 24/07/2026 is available on the website https://chemicals.gov.in/ recruitments. Interested candidates may submit their applications in the prescribed format within 21 days from the date of publication of this advertisement in the Employment News to the following address:

Deputy Secretary (Admin),
Department of Chemicals & Petrochemicals
Room No. 23051, 3rd Floor, Kartavya Bhawan - 02, Dr. Rajendra Prasad Road,
New Delhi-110001.

**02101/11/0008/2.627**

# বঙ্গলাদেশনা ইন্দিয়া ঙমখৈ মনাক্তা সর্ভৈলেন্স অমসুং দ্রোন স্কুল লিংখৎখ্রে




ধাকা সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি): বঙ্গলাদেশনা ইন্দিয়াগা তায়নবা মখোয়গী ইন্টরনেসনেল বোর্দর মনাক্তা সর্ভৈলেন্স এন্দ দ্রোন ট্রেনিং স্কুল অমা লিংখৎখ্রে।

সিলেটতা লৈবা বোর্দর গার্দ বঙ্গলাদেশ (বি জি বি) হেদক্বার্টরসতা সিমানতো স্কুল ওফ সর্ভৈলেন্স এন্দ দ্রোন ৱারফিয়ার অদু লৈবাক অদুগী হোম মিনিষ্টর সাল্লাহউদ্দিন অহমেদনা হৌদোকখি অমসুং মদু করিমতা ঙাক শেন্দবা অমসুং ফেন্সিং খাদবা ঙমখৈ অদু শিনবগী মায়কৈদা অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

স্কুল অদু মেঘলয়াগী কোনুং শিলোংগী খাদা কিলোমিটর ১১৫ লোম অমসুং ইন্দিয়াগা তায়নবা ঙমখৈদগী কিলোমিটর ৫৫ লোম লাপ্পদা লৈ।

বঙ্গলাদেশকী হোম মিনিষ্টর অদুগী মতুং ইন্না নাইট-ভিজন অমসুং থর্মেল টেক্নোলোজিজ পানবা দ্রোনশিংনা উমঙগী ঙমখৈ এরিয়া পুং ২৪ চুপ্পা সর্ভেলেন্স তৌবা ঙমহল্লগনি অমসুং স্মগ্লরশিং, দ্রগ ট্রফিকরশিং অমসুং ইলিগেল আর্মস দিলরশিংনা শিজিন্নবা রুটশিং খঙবদা মতেং ওইরগনি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী এদভান্স দ্রোন টেক্নোলোজিজ মথং চহী ১দগী ২ ফাওবগী মনুংদা হাপচিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

দ্রোন স্কুল হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জি বি জি পর্সোন্নেলনা দ্রোনশিং শিজিন্নদুনা ঙমখৈ পরিংদা সর্ভৈলেন্স অমসুং ওপরেসন্স চথনবগী টেক্নিকশিং উৎখি।

স্কুল অসি টেক্নোলোজি-দ্রাইভন বোর্দর সেক্যুরিটি, এদভান্স সর্ভৈলেন্স, অমসুং মোদর্ন ওপরেসনেল কেপাবিলিটিদা অনৌবা পন্দুব অমা ওইরগনি হায়না জি বি জিনা হায়খি।

ইন্দিয়াগা তায়নবা কিলোমিটর ৪০৯৬.৭ শাংবা ইন্টরনেসনেল বাউন্দরি অসি পেরামিলিটরি ফোর্স জি বি জিনা ঙাক শেল্লি।

ইন্দিয়ানা বঙ্গলাদেশকা তায়নবা ঙমখৈগী কিলোমিটর ৩২০০ হেন্না ফেন্সিং থাখ্রে, অদুবু তুরেল কয়ামরুম চেনবা বাউন্দরিশিং ওইবা মরমদগী ফেন্সিং খাবা ওইথোক্লিঙাই লৈতবা কিলোমিটর ১৭০ য়াওনা ইন্দিয়া-বঙ্গলাদেশ বোর্দরগী কিমি ৮৬০ রোম ফেন্সিং খাদনা লৈরি।

# ৱ্লাদিমির পুটিননা এস সি ও দিভলপমেন্ট বেঙ্ক অমা লিংখৎনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে




বিসকেক, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি): রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা, ইকোনোমিক অমসুং পোলিটিকেল প্রেসর পীবদা শিজিন্নে হায়না মহাক্না হায়রিবা ফাইনান্সিয়েল সিষ্টেমসতগী মনিংতন্না থবক তৌবা দিভলপমেন্ট বেঙ্ক অমা লিংখৎনবা এস সি ও মেম্বরশিংদা আপিল তৌখ্রে।

হায়রিবা মহাক্না হৌদোক্লিবা এস সি ও দিভলপমেন্ট বেঙ্ক অদু গ্লোবেল এফিয়ারসতা নাকল নামতগী খুদোঙচাবশিং ফংনবা লৈবাক খরনা শিজিন্নরিবা মেকানিজমসতগী ঙাকথোক্কদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

খোঙথাং অসি রসিয়ানা য়ু এস দোল্লর অমসুং ৱেষ্টর্ন-দোমিনেটেদ ফাইনান্সিয়েল নেটৱার্কসতা তাংজদুনা লৈবা হন্থনবা হোৎনরকখিবগনি।

হৌদোক্লিবা ৱাফম অদু ৱেষ্টর্নগী রেষ্ট্রিকসনশিং ময়াম অমা মায়োক্নরিবা অতোপ্পা এস সি ও মেম্বর ইরানগীদমক হেন্না চান্নে। লৈবাক অনিমকসিনা ব্লোক অসিগী মনুংদা ফাইনান্সিয়েল অমসুং ট্রেদ ফ্রেমৱার্কস অমা পাকথোক চাওথোকহন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

এস সি ওগী ইকোনোমিক্কী থবক হেন্না হেন্না চাওখৎলক্লি। মরম অদুনা মসিদা ৱাসিংটননা মীৎয়েং চিংশিল্লকখ্রে। হৌখিবা চহী ২০দা ওর্গনাইজেসন অসিনা মেম্বর ৬ খক্কী গ্রুপিং অমা ওইরম্বদগী চাইনা, ইন্দিয়া, রসিয়া, ইরান অমসুং মরুওইবা সেন্ট্রেল এসিয়ান ষ্টেটসশিংনা শাবা লৈবাক ১০গী ব্লোক অমা ওইরকখ্রে।

হায়রিবা মতম অদুগী মনুং অদুমক্তদা মসিগী গ্লোবেল জি দি পিগী সিয়ার, পর্চেজিং পৱার পেরিটি (পি পি পি)দা ওনবা, অদু তপ্পা তপ্পা ৱাং খৎলকখ্রে অমসুং হৌজিক জি ৭গীদগী হেনখ্রে।

পি পি পি টার্মসতা ২০০১দা এস সি ওনা গ্লোবেল ইকোনোমিগী চাদা ১০.৬ ওইখিবদা জি ৭গীদি চাদা ৪৭.২ ওইখি। অদুবু মদুগী মতুংদগীদি খেন্নবা অদু য়ান্না শাথিনা খুজিল্লকখ্রে। এস সি ওগী সিয়ার অদু ২০২১দা জি ৭গীদগী হেনখ্রে।

আই এম এফ এপ্রিল ২০২৬ এষ্টিমেটসকী মতুং ইন্না, ২০২৬তা জি ৭গী গ্লোবেল ইকোনোমিগী চাদা ২৮ ওইবদা এস সি ওগীনা চাদা ৩৪.৩ ওইরে।

সাংহায় কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) অসি এন্টি-য়ু এস এলায়েন্স অমা নৎতে। অদুবু মসিগী ইকোনোমিক এক্সপান্সন, মেম্বরসিপ য়ামখৎলকপা অমসুং ট্রেদ, ফাইনান্স অমসুং সেক্যুরিটিগীদমক অতোপ্পা প্লেটফোর্মশিং শেমগৎলকপা অসিনা মসিবু ৱাসিংটননা কুপ্পা য়েংশিলক্লিবা , হেন্না হেন্না মরুওইরক্লিবা জিওপোলিটিকেল ব্লোক অমা ওইরক্লে।

চাইনা মতোমখক্তনা এস সি ওগী ইকোনোমিক আউটপুটকী চাদা ৫৮ ওইরে অদুগা ইন্দিয়াগীনা চাদা ২৫ অমসুং রসিয়াগীনা চাদা ১০ ওইরি। পূন্না লৈবাক ৩ অসিনা ব্লোক অসিগী ইকোনোমিক্কী মপাঙ্গলগী চাদা ৯৩ রোম ওইরি।

# রসিয়াগী অতিয়া শাফবগী নুমিৎশিং লোইরে হায়না জেলেনস্কিনা এয়ারলাইনশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে



ক্যিব, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি): য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা লানগী মতম অসিগীদমক মহাক্কী লৈবাক্কী দ্রোনশিংনা রসিয়াগী এয়ারস্পেসপু মপুং ফানা শাফবা ওইহল্লরোই হায়খ্রে।

রসিয়ান এয়ার স্পেস শিজিন্নরিবা এয়ারলাইন খুদিংমক, রসিয়াগী মরুওইবা এয়ারপোর্টশিংবু হৌজিকসু শিজিন্নরিবা ইনস্যুরর অমসুং মীপুম খুদিংমক্ত ঐখোয়না ৱার্নিং তৌবা পাম্মি মদুদি রসিয়াগী এয়ারস্পেস মপুং ফানা অনসেফ ওইরগনি হায়না জেলেনস্কিনা মহাক্কী নুমিদাংদা পীবা ৱারোলদা হায়খি।

য়ুক্রেননা অসুন্না সিভিলিয়ান এভিয়েসনদা-সিভিলিয়ান এয়ারক্রাফ অমত্তদা কিহনখিদ্রি। রসিয়াগী অতিয়াশিংদা শুন্নতগী দ্রোনশিংনা লৈরগনি। মদু খঙজিনগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

দ্রোননা পীকথনবা অতিয়াশিং অদু সিভিলিয়ান এভিয়েসনগীদমক মফম লৈরোই। রসিয়াগী অতিয়া অদু হৌজিক দ্রোনশিংগীনি হায়না জেলেনস্কিনা হায়খি।

জেলেনস্কিগী ৱাফমশিং অদুবু ষ্টেট টেরোরিজমগী দিক্লারেসন অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা পুটিননা পাউখুম পীরকখ্রে।

ক্যিব অমসুং অকোয়বা লমদমদা রসিয়ান মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেকশিংনা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ হাৎখিবগী মতুং অকনবা ফিরেপশিং অসি লাক্লিবনি।

য়ুক্রেনদা লৈরিবা ঐখোয়না মরাল লৈজদবা পুন্সি মাঙহনবা পামদে। রসিয়াগী অতিয়াশিং মখা তানা শাফবা ওইররোই হায়না ঐখোয়না ঐখোয়গী পার্টনরশিংদা ৱানিং তৌরিবসি মরম অসিদগীনি হায়না জেলেনস্কিনা হায়খি।

য়ুক্রেনগী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমসকীদমক এম্যুনিসন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ইন্টরসেপ তৌবা ঙমদবা বালিষ্টিক মিসাইলশিং রসিয়ানা শিজিন্নবা হেনগৎখি। অদুবু য়ুক্রেননা রসিয়ান ইনফ্রাষ্ট্রকচর, পোর্টশিং অমসুং ই-কম্মর্স ব্যারহাউসশিংদা ফাওবা এটেক তৌদুনা পাউখুম পীরকখ্রে।

পুটিননসু য়ুক্রেননা রসিয়াগী মনুংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অতেক অকায় থোকহনখ্রে হায়না মহাক্না ঙাংবা ৱারোলদা য়াজখি।

# ইরানদা লুহোংবগী থৌরমদা য়ু এস মিসাইল এটেকতা ৪ শিখ্রে

টেহরান, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি): ইরানগী হোরমুজগান প্রোভিন্সকী সিরিক কাউন্টিদা কুহেষ্টা সিটিগী মনুংদা লুহোংবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লিবা য়ূম অমদা য়ু এসনা মিসাইল এটেক অমা চত্থরকখিবদা অঙাং ১ য়াওনা মীওই ৪ শিরে অমসুং ৫০ হেন্না শোক্লে হায়না ইরানিয়ান রেদ ক্রিসেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

খা থংবা সিরিক কাউন্টি অদু মরুওইরবা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ পরিংদা লৈবনি।

মসিগী মমাঙ খা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স খুজষ্টানদা মফম ৩দা য়ু এস মিসাইল এটেকতা মীওই ৭ শিখ্রে অমসুং ৮ শোকখ্রে।

এটেকশিং অদুগী খূৎ হন্দুনা ইরাননা জোর্দানদা লৈবা য়ু এস বেজশিংদসু এটেক তৌখ্রে। ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দসনা য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা জোর্দানদা লৈবা য়ু এস বেজ অমদা মখোয়না বালিষ্টিক মিসাইল অমা চত্থখ্রে হায়খি।

কেম্প টিটিন হায়না খঙনবা জোর্দানদা লৈবা য়ু এস মেরিন কোরগী মথক্তা গার্দসশিংনা অকনবা বালিষ্টিক মিসাইল এটেক অমা চত্থখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মখোয়না হায়খি।

ট্রেনিং কেম্প অদু ইজরেল অমসুং সাউদি অরাবিয়াগা তায়নবা ঙমখৈশিং অদুগী মনাক্তা গল্ফ ওফ অকাবাদা লৈ।

মরকসিদা কুৱেটতসু মখোয়না য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেকশিংনা পাউখুম পীখ্রে হায়খি।

ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরান আর্মিনা দিষ্ট্রক্টিব দ্রোনশিংগী অকনবা এটেকনা বহরেনদা লৈবা শেখ ইসা বেজদা আমেরিকান টেরোরিষ্ট ফোর্সশিংগী রাদর ইনষ্টোলেসনশিং অমসুং কনসেন্ট্রেসন পোইন্টশিংদা টার্গেট তৌখ্রে হায়না ইরানগী আই আর এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

# রোকেট থাগৎপা হেনগৎলকখিবগা চয়োলগী ওইনা স্পেস জঙ্ক টোন ১ আর্থতা থারক্লি



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি): রোকেটশিং অমসুং সেটিলাইটশিং ওর্বিটতা থাগৎপা হেনগৎলকপদগী আর্থতা অমুক হন্না তারকপা স্পেস জঙ্ককী চাং অদুসু য়ান্না হেনগৎলক্লি।

আর্থ তন্না তারকপা স্পেস দিব্রিস অয়াম্বা এদমোসফ্যারদা চাকথেকখ্রবসু নৎত্রগা সমুদ্রদা তাখ্রবসু মেট্রিক টোন ১ রোম য়ৌনা লুপ্লবা অচৌবা পোৎশকশিং হৌজিক চয়োল অমদা অমুক্লোমদি আর্থকী এটমোসফিয়ারদা অমুক হন্না চংলকই হায়না ন্যু য়োর্ক টামসনা হায়রি।

পোলিস স্পেস এজেন্সিগীদমক স্পেস সিচুয়েসনেল এৱ্যারনেস ওপরেসন্সকী মকোক ওইরিবা মেরিয়ুজ স্লোনিনানা আর্থকী এটমোসফিয়ারদা চয়োল খুদিংগী স্পেস দেব্রিস মেট্রিক টোন অমরোমদি অমুক হন্না চংলকই হায়খি। মহাক্না হায়, অমুক হন্না চংলকপা অদু চয়োল খুদিংগী থাক্লিবনি।

স্পেস এক্তিভিটিদা থুনা হেনগৎলকপা উৎতুনা, চহী ১০গী মমাঙদা পোৎশক ১১০রোম চংলকপগী এলার্টশিং য়ু এস স্পেস ফোর্সনা থোকখিবা অদু চাংদম্নবদা ২০২৫তদি পোৎশক ৮২০ রোম এটমোসফিয়ারদা চংলকপগী এলার্ট তৌখি। অসিগুম্বা থৌদোক অমা কেনিয়াগী মুকুকু খূনদা থোকখি। মদুদা রোকেট অমদগী অচৌবা য়োৎকী কোরোক কোয়বা পার্ট অমা ফার্মলেন্দ মনুংদা তারকখি। এটমোসফিয়ারদা চংলকপা মতমদা চাকথেকখ্রে হায়না খনবা পোৎশক অদু মপোপ অমত্তা কায়দনা তারক্লমখি অমসুং চহী ১৫ হেন্না ওবিটতা লৈরকখ্রবা রোকেট অমগী পার্টনি হায়বদু কোন্না খঙলকখি।

রোকেট কাপখৎপা অমসুং সেটিলাইটশিং থমলুবগী মশিং ৱাংখৎলকখিবনা আর্থতা অমুক হন্না তারকপা দেব্রিসকী চাং অদু হেনগৎহল্লি।

হৌখিবা চহীদা রোকেট ৩০০ হেন্না কাপখৎখি। হৌজিক সেটিলাইট লিশিং কয়ানা প্লানেট অসিগী অকোয়বদা কোয়না পাইদুনা লৈরি। হায়রিবা সেটিলাইটশিং অদুগী কয়া অমদি অরোইবদা মখোয়গী মিসনশিং মপুং ফারবা মতুংদা এটমোসফিয়ারদা অমুক হন্না চংলকই। কুইদ্রিঙৈদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদগী খরদি ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদগী ফ্লোরিদাগী য়ূম অমগী মথক্তা তারকখিবা দেব্রিস, স্পেস এক্স রোকেট অমগী পার্টশিং পোলেন্দদা তারকখিবা, অমসুং দিফঙ্ক চাইনিজ সেটিলাইট অমা স্পেনগী কেদারি আইলেন্দস মথক্তা মচেৎ-মচেৎ কায়খিবশিংদু য়াওরি।

ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ফিলিপিন্সতসু স্পেস দেব্রিসকী মচেৎশিং ফংখি। তারকপা স্পেস দেব্রিসনা পান্দুনা মীয়ামদা শোকপদগীদি হৌজিক নোংমমিৎ খাকপদা শোকপনা হেল্লবসু, ওর্বিটতা পোৎশকশিং মশিং মখা তানা য়ান্না হেনগৎলকপনা খুদোঙথিনিংঙাই ওইবদু হেনগৎহল্লি হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

য়ু এস ফেদরেল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ এ এ)গীদমক চত্থখিবা ষ্টদি অমনা স্পে এক্স সেটিলাইটশিংদগী তারকপা য়াবা দেব্রিস খক্তনা ২০৩৫ ফাওবদা চহী ২ খুদিংদা অমুক্তি শোকপা নৎত্রগা শিবা থোকহল্লবা য়াই হায়না পারি।

এক্সপার্টশিংনা গর্ভর্ণমেন্ট অমসুং কম্পেনিশিংদা এটমোসফিয়ারদা অমুক হন্না চংলকপদা মপুং ফানা মচেৎ তানা কায়খিগদবা মেটরিয়েলশিং ওইনা শিজিন্ননবা আপিল তৌখ্রে।

অদুমওইনমক অসিগুম্বা রিগুলেসন হৌজিক লৈত্রি।

কোল্ড ৱার মতমদা স্পেস দেব্রিসকী লাএবিলিটিগী মতাংদা য়ু এন ট্রিটিজশিং শেমখি অমসুং অকন্নবা স্কোপ থমখি। অদুগা অমুক, য়ু এননা ২০০৭দা স্পেস দেব্রিসকী মতাংদা গাইদলাইন্স থোকখি, অদুবু গাইদলাইন্সশিংদু নন-বাইন্দিংনি।

ন্যু য়োর্ক টাইমস রিপোর্ট মতুং ইন্না, খ্বাইদগী ফবা রোকেট সাইন্টিষ্টশিংনা ফাওবা অনকন্ট্রোল স্পেস দেব্রিসশিংনা মফম কদাৱাইদা তারক্কদগে হায়বা চপ চানা মাঙজৌননা হায়বা ঙমদে। মদুগী মতম লেপ্পদা শুপ্পগী মিনিৎ অমগী অরানবা অমনা ফাওবা তারক্কদবা জোন অদু মাইল ৩০০ য়ৌনা হোংলবা য়াই। স্পেস দেব্রিসশিং অসি কম্পেনি অমা নৎত্রগা মহাক মশাগী লৈবাক্তগী এজেন্সি অমগী ওইরবসু কম্পেন্সেসন নৎত্রগা লিগেল ক্লেমশিং মহৌশানা লৈবাক অদুগী লোগী মখাদা থবক পায়খৎলি। অদুমওইনমক দেব্রিস অদু করিগুম্বা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা তারবদি কম্পেন্সেন দিমান্দ তৌনবগীদমক গভর্ণমেন্টশিংনা মহৌশানা য়ু এন ট্রিটিশিংগী খূৎথাংদা থবক পায়খৎনৈ।

# খ্বাইদগী তমথিবা কেমিকেল অমা শেমখিবা মতুং এম আই টিদা কিবনা পাখৎনখ্রে

ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি): মসাচুসেট্স ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি)দা গ্রেজুয়েট মহৈরোই অমনা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী হু চেনবা কেমিকেল কম্পাউন্দশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা দিমেথাইল মর্করি সিন্থেসাইজ তৌরে হায়রকখিবদা ইনষ্টিট্যুট অদুদা কিবনা পাখৎনখ্রে অমসুং অচৌবা চেকশিন থৌরাং অমা লৌখৎখ্রে।

মশক তাকথোক্তবা মহৈরোই অদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কেম্পস লেবোরেটরি অমদা থবক তৌবদা কম্পাউন্দ অদু সিন্থেসাইজ তৌখিবনি।

মহাক্না লোকেল ইমর্জেন্সি রুম অমদা চৎখি অমসুং এম আই টিগী কেমব্রিজ কেম্পসতা কেমিষ্ট্রি ফেসিলিটি অমা ওইরিবা দ্রিসফস বিল্ডিং হায়না খংনবা বিল্ডিং ১৮কী মনুংদা মখোয়না য়াম্না শাথিনা খুদোঙথিনিংঙাইওইবা কম্পাউন্দ অদু সিন্থিসাইজ তৌখ্রে হায়না মেদিকেল ষ্টাফতা হায়খি।

দিমেথাইল মর্করিগী মতাংদা থবক তৌনবা মহৈরোই অদুদা ওথোরাইজ তৌবা লৈতে অমসুং কেমিকেল অদু মখোয়গী রিছার্সকী শরুক অমসু নৎতে হায়না এম আই টি ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

দিমেথাইল মর্করি হায়রিবসি য়াম্না শাথিবা হুনি অমসুং উশা ফাওদুনা চুপশিনখিবা ঙম্মি। য়াম্না পীকখ্রবা চাং অমনা ফাওবা শাথিবা পোইজনিং থোকহল্লি অমসুং শিবা য়াই। শোয়বদগী কেমিকেল অদুগা হকচাংগা শন্নরুবদগী ১৯৯৭দা দার্টমাউট কোলেজ কেমিষ্ট্রি প্রোফেসার ওইবী কারেন ৱেট্টরহান শিখিবা মতুং দিমেথাইল মর্করিগী খুদোঙথিবশিং অদু পাকশন্না খঙনখি।

কেমিষ্ট্রিগী নুপী প্রোফেসার অসি মহাক্কী খূৎকা কেমিকেল অদুগা মরিক অমা নৎত্রগা অনিগা থেংনখিবা মতম অদুদা মখূৎ অদু গ্লোবশিংসু উপলিবনি। কম্পাউন্দ অসি প্রোটেক্টিব গ্লোব মখল কয়া ফাওদুনা চংলকপা ঙম্মি হায়রি।

হৌজিক চেকশিন থৌরাং ওইনা বিল্ডিং অদু থোঙ লোনশিল্লগা থমখ্রে।


**WANTED PARTNERSHIP INVESTORS**

Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....

Interested Investors Enquiry through Phone Calls only

Contact Us 87942 28735


## খংহঞ্জবা

Date:- 02/09/2026

অসিনা মরম ওইদুনা খংহঞ্জরি মদুদি Primary Health Center (PHC) Sangaiyumpham হায়রিবা Center অসি Deputy Registrar of Soceites Thoubal দা Registration তৌজরগনি মরম অদুনা কন্নাগুম্বশিংনা য়াওনিংবা অমদি য়েৎপিনিংবশিংনা ঙসি তাং 02/09/2026 তগী 08/09/2026 ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীরকউ মখা তাবা ৱাকৎ লৌজ রোই।

খংহঞ্জরিবা
Dr. N. Sumita Devi
Medical Officer I/W
PHC Sangaiyumpaham
Ph.No. 9089217521

SL/Nute/03

## ক্রোসৱার্দ ১১৩৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | O | U | P | ■ | E | T | N | A | ■ | L | E | A | S | T |
| T | U | N | A | ■ | R | O | A | R | ■ | I | G | L | O | O |
| A | G | A | R | ■ | A | S | T | R | I | N | G | E | N | T |
| T | H | R | O | W | S | S | T | O | N | E | S | ■ | ■ | ■ |
| S | T | Y | L | E | ■ | ■ | Y | W | C | A | ■ | A | B | C |
| ■ | ■ | ■ | E | L | S | E | ■ | ■ | A | R | T | F | U | L |
| S | E | E | ■ | L | E | A | C | H | ■ | ■ | A | R | E | A |
| C | A | S | T | S | A | S | P | E | R | S | I | O | N | S |
| A | S | S | N | ■ | ■ | T | A | L | O | N | ■ | S | A | P |
| B | E | A | T | U | P | ■ | ■ | P | E | A | S | ■ | ■ | ■ |
| S | L | Y | ■ | S | O | F | A | ■ | ■ | P | E | P | S | I |
| ■ | ■ | ■ | H | U | R | L | S | I | N | S | U | L | T | S |
| R | E | P | E | R | T | O | I | R | E | ■ | R | A | I | L |
| A | W | A | R | E | ■ | O | D | O | R | ■ | A | C | R | E |
| D | E | T | E | R | ■ | R | E | N | D | ■ | T | E | S | T |

SL/Mochal

**BEFORE THE OATH COMMISSIONER JUDICIAL, MANIPUR AT IMPHAL**

**AFFIDAVIT**

1. HIMANSU SINGH (having Aadhaar No. 6880 8678 4160) aged about 31 S/o Huidrom ongbi Jemila Devi, R/o Thangmeiband Meisnam Leikai, P.O. Imphal, P.S. Lamphel & District- Imphal West, Manipur-795001, do hereby solemnly affirm and take oath as under:
1. That, I am a citizen of India by birth having permanent residence at the above mentioned address in the State of Manipur. This is true to my knowledge.

2. That, my name was wrongly recorded as HUIDROM HIMANSU SINGH in the service record of my mother namely Huidrom ongbi Jemila Devi due to bonafide mistake. This is true to my knowledge.
3. That, my true and correct name is HIMANSU SINGH as recorded in my Aadhaar Card bearing No. 6880 8678 4160. This is true to my knowledge.


4. That, the said HIMANSU SINGH and HUIDROM HIMANSU SINGH are the name of the one and same person i.e. HIMANSU SINGH. This is true to my knowledge.

5. That, I am swearing in this affidavit to produce the above stated facts before the concerned authority for affirming my true and correct name as HIMANSU SINGH. This is true to my knowledge.

Verified at Imphal on 29th August, 2026 that the contents of the above paras in the affidavit are believed to be true and correct and nothing has been concealed therein.

*Deponent*
Himansee Singh

SL/5400/03




**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 616/SDC/IW(C)-I of 2026 dt. 02/09/2026

1. Irom Rabeichandra Singh S/O Irom Madhu Singhof Thangmeiband Khomdram Salungba Leikai.
2) Irom Santosh kumar S/O -do- of -do-
3) Irom Nareshchandra Singh S/O -do- of -do- -Petitioner(s)

-Vs-

(Late) Irom Madhu Singh S/O Parijat Singh of Thangmeiband Khomdram Selungba Leikai. -O.P. (s)

**/ NOTICE**
Lamphel, the 02/09/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Irom Madhu Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 90-Thangmeiband অরিবা পাট্টা নম্বর 1164 (old) অনৌবা পাট্টা নম্বর 115 (new) দাগ নং. 9050 অমসুং এরিয়া 0.04750 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/03

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 417/SDC/IW(C)-II of 2026 dt. 02/09/2026

1. R.K. Sanahanbi Devi D/O R.K. Bhorot Singh of Moirangkhom Sougaijam Leirak.
2) Rajkumar Momo Singh S/O -do- of -do-
3) Rajkumari Tamphasana Devi D/O -do- of -do-
4) R. K. Mema Devi W/O R.K. Bhorot Singh of Moirangkhom Sougaijam Leirak. -Petitioner(s)

-Vs-

(Late) R.K. Bhorot Singh S/O Sanahal Singh of Moirangkhom Sougaijam Leirak. -O.P. (s)

**/ NOTICE**
Lamphel, the 02/09/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা R.K. Bhorot Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 40-Chingakham Leikai অরিবা পাট্টা নম্বর 91 অনৌবা পাট্টা নম্বর 293/760 দাগ নং. 2171/2512 অমসুং এরিয়া 0.0942 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/Nute/03

# ডা. বি সি রোই ত্রোফিঃ মণিপুরনা কেরেলাবু ১-০দা থোয়দুনা গ্রুপগী পোইন্ট মকোক্তা লৈখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন-এ আই এফ এফকী মীৎয়েং মখাদা কর্ণটকানা যুন্থু ওইদুনা ওগষ্ট ২৫দগী হৌদুনা চথরিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডা. বি সি রোই ত্রোফি ২০২৬-২৭ টাইয়র ১গী ঙসি গ্রুপ এ গী অহুমশুবা লীগ মেটচতা মণিপুরনা কেরলাবু ১-০ মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলগী খ্বায়দগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।



কর্ণটকা ষ্টেট ফুটবোল এসোসিয়েসন (কে এস এফ এ)না শীন্দুনা বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা চথরক্লিবা ত্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচতা মণিপুরনা কেরেলাবু পাঞ্জল ১-০দা থোয়বা ঙল্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলগী খ্বায়দগী মকোক্তা লৈখিবনি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা জুনিয়র বোইজগী ফুটবোল টিম ১৬না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথুরিবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি মণিপুর অমদি কেরেলা টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ২৩ শুবা মিনিটতা মণিপুরগী মিদ ফিল্ডর শান্নরোই হুইদ্রোম সলাইঙম্বনা মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী অপিবা মতম লোয়বা ফাওবদা মণিপুরনা পাঞ্জল ১-০দা কেরেলাদগী মাঙজিল থারগা অদুমক চংখি। মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা শরুক্তা কেরেলা টিমনা শোত্থনা লৈরিবা পাঞ্জল অমদু হন্দোক্তবা য়াদে হায়বগী মতাগুম্না মণিপুরগী মায়কৈদা অকন্নবা লাল্লোং কয়া অমা চথরবসু লাইবক লৈতবনা পাঞ্জল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমদনা মেটচ অদু মণিপুরগী মখুত্তা কেরেলানা পাঞ্জল ০-১ দা মায়থিবা নংহৌখিবনি।

মণিপুরগী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা থা অসিগী ৪গী অয়ুক পুং ৮.১৫ তাবদা টেলঙ্গনাগা লান্বা তৌনরগনি।

নাকল অমরোমদা জুনিয়র বোজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডা. বি সি রোই ত্রোফি ২০২৬-২৭ গী শরুক অমা ওইনা ঙসি কর্ণাটকা ষ্টেট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী বেঙ্গলুরু ফুটবোল ষ্টেদিময়দা গ্রুপ এ গী মরীশুবা লীগ মেটচ অমদনা টেলঙ্গনা অমদি অসাম টিম অনীনা শান্নখিবদা মেটচকী অপিবা মতম লোয়বা ফাওবদা টিম অনীমকনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা ১-১দা লৈদুনা মেটচ অদু দ্রো ওইখি। চথুরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী ঙরাং বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা উত্তর প্রদেশপু পাঞ্জাল ১-০ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোয়খ্রে।

# ইন্দিয়াগী জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা শোকপনা মরম ওইদুনা সিজন অসিগী খোঙচৎ লোইশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা শোকপনা মরম ওইদুনা চৎলিবা সিজন অসিদা পাঙথোক্কদবা টুর্ণামেন্টশিংদা শরুক য়াররোইদবনা সিজন অসিগী খোঙচৎ লোইশিল্লগনি হায়রি।



পাউগী লীখুল অসিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা মতম খরগী মনুংদা ইঞ্জুরি কয়া নংদুনা লাক্লবা নিরজ চোপ্রা ইনৌ নৌনা লিগামেন্ট টিয়র থোকপদগী মথং থাদা জপানদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান গেমস, ডাইমন্দ লীগ ফাইনেল অমদি ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স অলটিমেট চেম্পীয়নশিপ্তসু শরুক য়াররোই। চৎলিবা থা অসিগী অঙনবদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখিবা মেম্বর ৪৯২ না শাবা এসিয়ান গেমসকি ইন্দিয়া স্কাউদদা নিরজ চোপ্রাসু য়াওখিবনি। হন্দক্তা গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ট গেমসতা নিরজ চোপ্রা সিলবর মেডল লৌখ্রবা মতুংদা দোহা ডাইমন্দ লীগতা শরুক য়ারিবনি। নিরজ চোপ্রা লৱার বেক ইঞ্জুরি লৈবনা ২০২৫ গী সেপ্টেম্বর থাদগী কম্পীটিসিন অমত্ত শরুক য়াদনা লাকখি। ওলিম্পীক মেডল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা থ্রোৱর অসিনা কেলেন্দর ইয়রদা ডাইমন্দ লীগ মিট মঙা পাঙথোকখিবদা অহুমদি শরুক য়াখিদে।

নিরজ চোপ্রাদা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, য়াম্না কন্না হোৎনদুনা সিজন অসিগী খ্বাইদগী শানবা থ্রো লংবা ঙমদুনা ঐহাক্না পাম্বা মোমেন্টম অদু ফংলে হায়না খঞ্জখি। অদুম ওইনমক লাইবকথিবদি ট্রেনিং মনুংদা ঐগী এঙ্কলগী লিগামেন্টদা শোকখি। ডাক্তর অমদি ঐগী টিমগা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা সিজন অসিদা পাঙথোক্কদবা কম্পীটিসনশিংদা শরুক য়াদবা হায়না ৱা লেপ্লে। কুইনা শোক্তুনা লৈরুরবা মতুংদা ফিল্ডদা অমুক হল্লকপদা নুংঙাইবা ফাওবা হৌরুরবা মতুংদা অমুক হন্না শোকপা অসি তশেংনা নুংঙাইতবা পোকই। অদুবু মসি শান্নরোয়শিংগী খোঙচৎতা থেংনদুনা লাক্লবনি।

হৌজিক্তি ঐগী পান্দম অদি মপুং ফানা অতেনবা মতমগী মনুংদা অশোকপসি ফগৎতুনা অমুক্কা হেন্না থৌনা লৈনা হল্লকপা অদুনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, নিরজ চোপ্রানা সিজন অসিগী ডাইমন্দ লিগ মিটতা শুপ্পগী অনীখক শরুক য়াখ্রবসু মথং থা সেপ্টেম্বর ৫গী ব্রুসেলসতা পাঙ-থোক্কদবা ডাইমন্দ লিগ ফাইনেলসকী ক্বালিফাই ওইখি। ডাইমন্দ লিগ ফাইনেলসকী ক্বালিফাই ওইখিবা এঠলেটশিং লাউথোকখিবদা নিরজ চোপ্রানা হৌখিবা জুন ১৯গী দোহা অমদি অগষ্ট ২১গী লোসেন ডাইমন্দ লিগ মিটতা অনীশুবা মফম কনখিবদগী পোইন্ট১২ ফংদুনা অরোয়বা লিষ্টতা তরুকশুবা তাদুনা ক্বালিফাই ওইখি।

নিরজ চোপ্রানা হন্দক গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা কম্মনৱেল্ট গেমসতসু মপুং ফানা ফিট ওইদনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সিজন অসিদা মহাক্কী খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইনা মিটর ৮৫.৮৩ শান্না লংদুনা সিলভর মেদল ফংখি। মদুগী মতুং মহাক্না লোসেন ডাইমন্দ লিগতা অমুক মিটর ৮৮.০৫ শান্না লংদুনা অনীশুবা মফম কনখি। হংদক্কী ডাইমন্দ লিগ ফাইনেলস অসি সেপ্টেম্বর ৪ অমসুং ৫দা ব্রুসেলসতা পাঙথোক্কদবনি। ইভেন্ট অমগী ৱিন্নরশিংনা ট্রোফি অমগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা প্রাইজ মনি ওইনা য়ুএস দোল্লর ৩০,০০০ ফংগনি অমদি নিপানশুবা তাবা এঠলেটশিংনা য়ুএস দোল্লর ১,০০০ ফংগনি।

## ২শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬
# ইমা কছার (এ)না ৱাই এল সি দিবোংবু থোয়খ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

কাংখুৎ ১০না শরুক য়াদুনা জিরিবামগী লৈহাওপোকপী কাং শঙ লৈহাওপোকপী, চাম্পানগরদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবামনা শীন্দুনা শান্নরিবা অনীশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেন্স কাং টুর্নমেন্ট ২০২৬তা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইমা কছার(এ) না ৱাই এল সি দিবোং খুনৌবা পাঞ্জল ১২-১০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসি টিঐচ পাথৌবা অমদি ইবোচৌনা রেফ্রি অমদি স্কোরর ওইখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচ ওইনা অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা এম এন সি (বি)গা ইমা (বি) কছারগা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এম এন সি (এ)গা এল ই সি (বি) গা শান্নগনি।

## এ এস এম আই টি এ সিটি ফুটবোল লীগকী ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমফা)না থা অসিগী ৩দগী হৌদুনা ৫ ফাওবা লম্লোং থোং খোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থগদৌরিবা অন্দর ১৩ গার্লস এ এস এম আই টি এ সিটি ফুটবোল লীগ ২০২৬-২৭বু কন্দক্ত তৌনবগীদমক মথৌ তাবা মেটচ ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে।

অমফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নব সিংহনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ঐচ অমরজিৎ মীতৈবু মেটচ কম্মিস্নর, অদুগা রেফ্রি ওইনা চীংঙাখম বিমোলবলা, এস ঐচ নিরমলা, টি দিয়া চনু, দব্লিউ এস তোবেলরিং, নংসা তেসিলফুল, কে এল নিংথা, ইলিয়া কাংতেন, এন অঞ্জু, এস উমা চনু, এন সনা চনু, ঐচ পুস্পা দেবী অমদি টি ঐচ মেরিনা দেবীবু খনখ্রে।

অমফানা খনগৎলবা মেটচ ওফিসিয়েলশিং অসি থা অসিগী ৩গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোং খোঙদা রিপোর্ট তৌরনবসু খঙহল্লক্লি।

# সব-জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী শান্নরোইশিং খনগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

সব-জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬-২৭দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবা ষ্টেট সব-জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিম শেমগৎনবগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমফা) গী মখাদা এফিলিয়েট তৌদুনা লৈবা তোঙান তোঙানবা একাদেমিশিংনা প্লেয়র ১০।১০ গী মিং পীখৎলক্নবা অমফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নব সিংহনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এল নব সিংহনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অদুগী মতুং ইন্না একাদেমিশিংনা পীশিল্লকপা শান্নরোই ১০শিং অদু পি দব্লিউ থ্রি টেষ্ট-১৩.৯ মায় পাক্কদবনি, ২০১৩গী জনুৱারী ১দগী ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা শান্নরোইশিং ওইগদবনি। হায়রিবা শান্নরোইশিং অদু হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা সি আর এস আই দি পায়গদবনি। শান্নরোইশিংনা এন এস আর এস পোর্টেলগী খূত্থাংদা এন এস আর এস আই দিগী স্ক্রিন সোটকা লোয়ননা সবমিত তৌগদবনি হায়রি।

লাক্লিবা থা অসিগী ৫ দা শান্নরোইশিংনা ওরিজিনেল দোকুমেন্টকা লোয়ননা লমলোং থোং খোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌগদবনি। শান্নরোইশিংনা সি আর এসতা অপলোদ তৌখিবা ওরিজিনেল আধার কার্দ, এন এস আর এসকী আই দিগা লোয়নবা স্ক্রিনসোট, ক্লাস ৱান নৎত্রগা টু গেজেটেদ ওফিসরনা সাইন তৌরবা ওরিজিনেল বার্থ সার্টিফিকেটসু লোয়নরক্কদবনি হায়না অমফাগী চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# গোল্ড অমদি সিলভর মেদল ২ লৌরকখ্রবা করাম থৌঙম্বা ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

হৌখিবা ওগষ্ট থাগী ৩০দগী হৌদুনা ৩১ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্না আই সি এন ইন্দিয়ানা শীন্দুনা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা ইভেন্টতা মেন ফিটনেস টিনএজ কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল অমদি মেন্স ফিজিক টিনএজ কেটাগোরিদা সিলভর মেদল লৌরক্তুনা ইরমদম অসিগী মিংচৎ পীরকখ্রবা করাম থৌঙম্ববু তরাম্না ওকখ্রে।

গোল্ড মেদল অমদি সিলভর মেদল লৌদুনা ইরমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবা করাম থৌঙম্বা লংথবাল এ সিগী মনুং চন্না লৈবা করাম অৱাং লৈকাইদগীনি। ঙসি করাম অৱাং লৈকাই য়ুথ ক্লবনা করাম থৌঙম্ববু হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা মহাক্কী তুংগী লম্বীদা অমুক্কা হেন্না মায় পাক্তুনা ইরমদম অসিবু মিংচৎ পুরক্নবা লৈকাইগী মীয়াম্না পূক্নিং থৌগৎখি।

# য়ুথ স্পোর্টস এন্দ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন্না সুসিলবু পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

হৌখিবা ওগষ্ট ২৮ দগী ৩০ ফাওবা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা ত্রেক এসিয়ান কপ ২০২৬তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা রিপ্রজেন্ট তৌরুবা সুসিল য়ুম্নামবু চবুং কম্পনি ময়াং ইম্ফালগী য়ুথ স্পোর্টস এন্দ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন্না হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

ঙসি চবুং কম্পনি ময়াং ইম্ফালদা লৈবা য়ুথ স্পোর্টস এন্দ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন অমদি মৈরা পায়বীনা খূৎশম্নদুনা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা ত্রেক এসিয়ান কপ ২০২৬তা শরুক য়াদুনা সিলভির অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখিবা ত্রেক শান্নরোই সুসিল য়ুম্নামবু হরাও তয়াম্না ওকখিবনি। সুসিল য়ুম্নাম বসন্ত অমদি য়ুম্নাম হেমাগী মচানুপানি।





সুসিল য়ুম্নাম য়ুথ স্পোর্টস এন্দ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিং অমসুং মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা শরুক য়াদুনা হরাও তয়াম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎখিবনি।

# ১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা থা অসিগী ৫দা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন ইভেন্ট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

লৈবাক অসিদা শান্ন-খোৎনবগী খূত্থাংদা পিছ, দিভলপমেন্ট, ফেজিকেল ফিটনেস অমদি হেল্দি সোসাইটি অমা শেম্নবগী পান্দমদা ১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ লাঙ্গোল, ইম্ফাল ৱেষ্টনা খেলো ইন্দিয়া 'স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট' গী ইনিসিয়েটিভকী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙানা তোঙানবা মফম ৪দা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন ইভেন্ট পাঙথোল্লগনি।

থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন ইভেন্ট অদু এ। ১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ (তাইরেনপোকপী) পি। এস -লমশাং ইম্ফাল ৱেষ্ট, বি। ১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ (রিমস) য়ু। পি লম্ফেল ইম্ফাল ৱেষ্ট, ই। ১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ (লাঙ্গোল ইম্ফাল ৱেষ্ট) য়ু। পি লম্ফেল ইম্ফাল ৱেষ্ট, জি। ১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ শিজ হোস্পিটাল, য়ু। পি লম্ফেল ইম্ফাল ৱেষ্টতা পাঙথোক্কনি।

তোঙান তোঙানবা মফম ৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন্স কিলোমিটর ১০গী মরাথোন অসিদা শরুক য়াবীনিংবা মীওইশিং অদু মশাগী চহী ১৮ নৎত্রগা হেনবা ওইগদবনি হায়রি। কিলোমিটর ১০গী মরাথোন ইভেন্ট অসিদা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাবা লমজে ল্লোইশিংদা মনা ওইনা কেস প্রাইজ লুপা লীশিং ১০, লুপা লীশিং ৬ অমদি লুপা লীশিং ৪ ওইগনি হায়না ১৮৯ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ লাঙ্গোল ইম্ফাল ৱেষ্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নাকল অমরোমদা, ৮৬ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ, ১৪৩ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ, ৮৬ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনসু কিলোমিটর ১০গী মরাথোন অমদি কিলোমিটর ১০গী সাইক্লিং ইভেন্টনচিংবসু লাক্লিবা থা অসিগী ৫ অমদি ৯দা পাঙথোক্কনি হায়না খঙহল্লক্লি।

# নেসনেল স্পোর্টস দেগা মরী লৈননা বেঙ্ক ওফ বারোদানা ইমপ্লোয়ি স্পোর্টস মীট অমদি ফিটনেস এক্টিভিটি কয়া পাঙথোক্তুনা নুমিৎসিবু পালন তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ

নেসনেল স্পোর্টস দে থৌরমগা মরী লৈননা বেঙ্ক ওফ বরোদানা শীন্দুনা বেঙ্ক অসিগী লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস অমদি ফিটনেস এক্টিভিটি কয়া য়াওবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।



ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিবু মশা মউ ফনা থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোল্লিবা নেসনেল স্পোর্টস দেগা মরী লৈননা বেঙ্ক ওফ বরোদাগী লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিংবু মশা মউ ফনা থমদুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী টিমৱার্ক হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমনি।

থৌরম অদুদা বেঙ্ক ওফ বারোদাগী এগজিক্যুটিভ দাইরেক্তর ললিত্যগী, সঞ্জয় বিনায়ক মুদালায়র, লাল সিংহ, বিনা বাহিত অমদি বেঙ্ককী ষ্টাফ মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি

থৌরম অদুদা বেঙ্ককী ইমপ্লোয়ীশিংনা টেবল টেন্নিস, কেরোম, বেদমিন্টন, বাস্কেট বোল অমদি শান্ন-খোৎনবগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন কয়াসু শান্নদুনা অথোই অহেন তান্নখি। শান্ন-খোৎনবগী থৌরম পাঙথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা বেঙ্ককী লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তা অমুক্কা হেন্না থাজনবগী মরী নৌনা শেমগৎপা ঙম্বগী লোয়ননা স্পোর্টস স্পিরিটি ঙাক্তুনা হেল্দি ওইবা কম্পিটিসন তৌনখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা বেঙ্ক ওফ বারোদাগী এগজিক্যুটিভ দাইরেক্তর ললিত্যাগীনা হায়, শান্ন-খোৎনবনা ঐখোয় মীয়ামগী মরক্তা দিসিপ্লিন, প্রিজার্ভরেন্স, টিম ৱার্ক হেন্না কনখৎহন্দুনা থবক থৌরম কয়াবু মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্বগী থৌনা হাপ্পি। থৌনা অসিনা মরম ওইরগা ওর্গনাইজেসন অসিবু অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লৈবাক মীয়ামগী মথৌ তাবা থবক পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী চাউনা থাজবা লৈ।

নেসনেল স্পোর্টস দেনা ওর্গনাইজেসন অসিগী লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিংবু মশা-মউ ফনা থম্নবা হোৎননিংবগী ইনোৎ অমসু হাপ্পা ঙম্লে। ইন্দিয়া লৈঙাক্না চঙশিল্লিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিনা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস অমদি ফিটনেস এক্টিভিটি কয়া পাঙথোকপা অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থল্লিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসিদা হকথেংননা শরুক য়াবা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

বেঙ্ক ওফ বারোদাগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিবু মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না চঙশিল্লিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসিদা লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়ানবা পাউজেল পীবা ওইনা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূত্থাংদা 'খেলেগা ভারত জিতেগা ভারত' হায়না মিংথোন্দুনা সোসিয়েল মেদিয়া কেম্পেন অমসু চত্থখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী লিজেন্দরি হোক্কি প্লেয়র মেজর ধ্যান চান্দগী মপোক নুমিৎ ওগষ্ট ২৯বু ইন্দিয়া লৈঙাক্না নেসনেল স্পোর্টস দে হায়না পালন তৌদুনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা স্পোর্টিং লিগেসি অসিবু ঙাক্না থমদুনা স্পোর্টস অমদি ফেজিকেল এক্টিভিটি কয়াদা লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিবু লায়না তিন্না চেন্দবা খূৎকন পাঙ্গলবা লৈবাক অমা ওইনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পাউজেল পীদুনা লাক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা ওগষ্ট ২৯বু ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক্না নেসনেল স্পোর্টস দে হায়না পালন তৌনদুনা লাক্লি। নেসনেল স্পোর্টস দে নুমিৎ অসিদা মশীং য়াম্নবা মীয়াম্না শরুক য়াবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা শান্ন-খোৎনবগী লৈরিবা মশান্না কয়া শান্নদুনা লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কনবা লায়না তিন্না চেন্দবা লৈবাক অমা ওইনবগী পাউজেল কয়া পীনখিবসু লৈখ্রবনি।




SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com